ঐজ জন যীন পৈব কিরণঃ।

ওঁ

উজ্জ্বলনীলমণি কিরণঃ।

পরম মহানুভাব শ্রীরূপীয়-উজ্জ্বলনীলমণিস্তথা

শ্রীবিশ্বনাথীয়

স্বং কিরণ-সুদনুসৃত্য

পণ্ডিতরাজ—শ্রীআতোম্বাপু বিদ্যারত্ন গবেষণা শিরোমণিভিঃ

সুললিত মণিপুরী ভাষয়া

সমুদ্ভাষিতঃ।

——•:0:•——

তেনৈব—

ভাগ্যবতী দৈনিক মণিপুর পত্রিকায়াং প্রকাশিতভাগান্ সংগৃহ্য

মণিপুর, ইম্ফাল, সগোলবন্দ রয়্যাণি স্থিত নিজ "চূড় চান্দ প্রিন্টিং ওয়ার্কস"

মুদ্রণ যন্ত্রালয়েমুদ্রয়িত্বা

প্রকাশিতঃ।

——:•:——

ইং ১৯৫০।

মণিপুর, ইম্ফল নগরীস্থ ভাগ্যবতী কার্য্যালয়


শ্রীধর্ম্মাম মধু সিংহেন

প্রচারিতঃ।

এবমিব ভক্তিরসামৃতসিন্ধোরপি উত্তমাভক্তিলক্ষণস্য মূল-

প্রবাহ ভাষ্যানুভাষ্যাভ্যাং সহিতো লোক লোচনগোচরীভূ তো ভবিষ্যতি।

মূল্য: ২ টাকা


Jawaharlal Nehru University-Centre of Post-Graduate Studies, Imphal.

ওঁ

ব্যাখ্যা তৌবাগী মঙ্গলা চরন ।

প্রণম্য মাতরং ভূয়ং শ্রীগুরুং পিতরং তথা ।
প্রাচীং দিশং সমুদ্দ্যস্তং শ্রীগোবিন্দং তমুপাশ্রয়ে ।। ১ ।।
শ্রীমদুজ্জ্বলনীলাখ্যমণেঃ কিরণরূপকং ।
বিশ্বনাথকৃতং গ্রন্থং বিবৃণোমি যথামতি ।। ২ ।।
রম্যং মণিপুরং নাম বক্রবাহনপালিতং ।
দ্বিতীয়ং বৈকুণ্ঠমিব স্থাপতং বিষ্ণুনা ক্ষিতৌ ।। ৩ ।।
অত্র দেশে প্রসূতানাং শ্রীগোবিন্দৈকচেতসাং ।
প্রেমভক্তিবিধানার্থং ভক্তবাঞ্ছাপ্রদায়কঃ । ৪ ।।
ভাগ্যচন্দ্রনৃপশ্রেষ্ঠদয়াবশম্বদো হরিঃ ।
আবির্ভূয় চ গোবিন্দঃ কান্যাখ্যে উদয়ে গিরৌ । ৫ ।
বৈকুণ্ঠসন্নিভংপুরং মণিপুরাখ্যমণ্ডলং ।
নববৃন্দাবনং কৃত্বা রাসক্রীড়ামকুর্ব্বত ।। ৬ ।।
যা লীলা বিশ্ববিখ্যাতা সর্ব্বেভ্যঃ শ্রৈগরীয়সী ।
শ্রীমণিপুররাসাখ্যা সর্ব্বলীলাশিরোমণিঃ । ৭ ।।
গোবিন্দঃ প্রতিবর্ত্মা বিশতু হৃদ গোবিন্দমীক্ষেমুদা ।
গোবিন্দেন সুখং অভেয়মপরো দাতা ন গোবিন্দতঃ ।
গোবিন্দস্য পদারবিন্দযুগলং ধ্যানায়সংবর্দ্ধিনি ।
গোবিন্দে রতিরস্তু মে কৃপয়া হে গোবিন্দ তুভ্যং নমঃ ৮
অনর্পিতচরীং চিরাৎ করুণয় বতীর্ণঃ কলৌ সমর্পয়িতুমুন্নতোজ্জ্বলরসাং স্বভক্তি শ্রিয়ং ।
হরিঃ পুরটসুন্দরদ্যুতিকদম্ব সন্দীপিত সদা হৃদয়কন্দরে স্ফুরতু বঃ শচীনন্দনঃ ৭।।

অথ উজ্জ্বল নীলমণি কিরণঃ ।

"অথ — উজ্জ্বলরসস্তত্র নায়কচূড়ামণিঃ শ্রীকৃষ্ণঃ"

অসিগী মতুংদা উজ্জ্বলরস হাইব মাগুদা শ্রীকৃষ্ণনা নায়ক চূড়ামণিনি । বিবৃত্তি — ভক্তিরসামৃতসিন্ধু ॥ 'বন্দুদা বিশ্বনাথ চক্রবর্তী পাদনা ভক্তিরস'॥ বিচার তৌরকপদা মমিংতা ওইনা থক্তিংবা উজ্জ্বল রসবু হাইথরে । মাগুদি— উজ্জ্বল নীলমণি॥ [illegible] সন্দোকনা হাইনবগী দমক্তন । মরম অসনা [illegible] বিশ্বনাথ পাদনা "অথ" [illegible] আসনা [illegible] গন্থ॥ অকাই অতোপ্পা [illegible] ভক্তি রসগী মথক [illegible] উজ্জ্বল [illegible] সন্দোকুবা [illegible] (অসিগী মতুংদা) [illegible] অসি [illegible] অসিগী [illegible] ভক্তিরসগী মথক [illegible] উজ্জ্বলরসবু হাইগে । উজ্জ্বলরসদা নায়কতি [illegible] শ্রীকৃষ্ণনি ।

[illegible] পূর্ণতর

পূর্ণতরঃ পূর্ণ [illegible] ধীরোদ্ধতঃ

ধীরশান্তঃ ইতি প্রত্যেকং চতুর্বিধঃ । [illegible] গম্ভীরো

বিনয়ী যথার্হ সর্ব্বজন সম্মানকারীত্যাদি গুণবান্ ধীরোদাত্তঃ ।

কন্দর্পবৎ প্রেয়সীবশো [illegible] বিদগ্ধ ধীরললিত. । [illegible] উদ্ধত [illegible] ধীরোদ্ধতঃ । যুধিষ্ঠিরবৎ ধার্ম্মিকো জিতেন্দ্রিয়ঃ শাস্ত্রদর্শী [illegible] পুনশ্চ পত্যুপতিত্বেন প্রত্যেকং সদ্বিবিধঃ । এবং পুনশ্চ অনুকূলো দক্ষিণ.শঠঃ । ধৃষ্ট ইতি প্রত্যেকং চতুর্বিধঃ । একস্যামেব নায়িকায়ামনুরাগ অনুকূলঃ ; সর্ব্বত্র সমো দক্ষিণঃ, সাক্ষাৎপ্রিয়ংবক্তি পরোক্ষে অপ্রিয়ংকরোতি যঃ স শঠঃ, অন্যকান্তাসম্ভোগচিহ্নাদিযুক্তোঽপি নির্ভয়ো মিথ্যাবাদী যঃ স ধৃষ্টঃ । এবং ষড়নবতি বিধা নায়ক ভেদাঃ ।

চৰিত্তি নায়ককী মখল লাইরি। অহানবদা গোকুল-ব্রজ, মথুরা অমসুং পুরদা মথং মথং পূর্ণতম, পূর্ণতর অমসুং পূর্ণ অহুম্মা নায়ক মখল অহুম থোকই

অমোক অহুমনু ধীরোদাত্ত, ধীরললিত, ধীরোদ্ধত, ধীরশান্ত অমুম্মা মরি থোকই, (অদুনা নায়ক মখল ১২ চরে)। শ্রীরামচন্দ্রগুনা সুকপা, হাইগংতবা অমত্তা নীং পুক্নিংকপা মাখোয়া মতক চেকপা সনান তৌবা অসিনা [illegible] কৌই, শ্রীকৃষ্ণনা [illegible] চনবা নিংচাইনবা, পাপনিংবা [illegible] তৌবা অমসুং [illegible] কৌই। ভীমসেনগুম্মা [illegible] সান্তনবা অমসুং লৌনম তৌবা অমসুং [illegible] ধীরোদ্ধত কৌই। যুধিষ্ঠিরগুম্মা [illegible], চন্দ্র [illegible] অমসুং শাস্ত্র উবানু ধীরশান্ত কৌই।

মাদুগী মখল অমোক পতি (মপু) অমসুং উপপতি (মকাম্বি) অহুম্মা অনি অমাক থোক্লি মাদু (অদুনা ১২ × ২ = ২৪ চরে)

মাদুগী তৌনা অনুকূল, দক্ষিণ, শঠ, অমসুং ধৃষ্ট অমুমনা মখল মরি থোক্লি মাই। মাদি সুপনা নুপী অমত্তদা অনুরাগ তৌবা (চুংসিবা) বু অনুকূল, নুপী মরানদা চপ মান্না অনুরাগ তৌবা (চুংসিবা) বু দক্ষিণ, [illegible] নুপী অহু চুংচাইনবা [illegible] চাম্বীনা [illegible]। তৌনাবু শঠ অমসুং নুপী অমগা [illegible] থুদন লৈরবা [illegible] চানবীনা [illegible] হাইবা নিংচাইদবা [illegible] ঐদ উনবদে হাইবা [illegible] ধৃষ্ট কৌই। মাসুম তৌদুনা নায়ক চূড়ামণি শ্রীকৃষ্ণনা মখল ৯৬ (২৮ × ৪) সুই।

অথ আশ্রয়ালম্বন নায়িকাঃ প্রথমং স্বকীয়াঃ পরকীয়া ইতিদ্বিবিধাঃ।

মাসিগী মতুংদা আশ্রয়ালম্বন ওইবী নায়িকাসিংনা অহানবদা স্বকীয়া অমসুং পরকীয়া অহুম্মা অনি থোকই।

বিবৃতি — "কর গ্রহবিধিং প্রাপ্তাঃ পত্যুরাদেশতৎপরাঃ
পাতিব্রত্যাদচলাঃ স্বকীয়াঃ কথিতা ইহ ॥"

আকরদা শ্রীরূপ পাদনা হাঈ, পাণিগ্রহণগী বিধি ফংনবা । ব্রাহ্মণ মৈনা শাক্ষী তৌদুনা বিবাহ তৌদুনা লৌবী । মপুরোইবাগী থৌ-দাইনবী, অমসু মপুরোইবনা ব্রত ওইবরগা লেংদবী- নুপীবু স্বকীয়া, কৌই। অসিগুম্বী নুপীবু লোকতা ধর্ম শাস্ত্রগী মতুং ইন্না পত্নী-কৌই, অমসু নিপাবু পতি কৌই

'রাগেনৈবার্পিতাত্মানো লোকযুগ্মানপেক্ষিণা ।
ধর্ম্মেণাস্বীকৃতা যাস্তু পরকীয়া ভবন্তি তাঃ ॥'

নুপীনা মহুংদা পুক্নিংনা পাম্বা মতনা হন্দক্কী মপোক্কা অমসু হক্কেংমুক্কী মপোক্কীসু অনিমক্কী ধর্ম চপেক হুনা অতো-পা নিপাগা মর্ঘাসু মপুকসু পিখোকলবী অমসু নিপা অতনাসু বিবাহগী চৌনবি ধর্মম্ লৌদবী নুপীবু পরকীয়া কৌই ॥

কাত্যায়নী ব্রত পরাণাং কন্যানাং মধ্যে যাগান্ধর্বেণ বিবাহিতাঃ তাঃ স্বকীয়াঃ ।

কাত্যায়নী ব্রত তৌবী গোকুলগী কন্যা সিংগী মরক্তা শ্রীকৃষ্ণদা লোইনদুনা গান্ধর্ব বিবাহ তৌখিবী কন্যাসিং অসি, মখোই অদুম্বি স্বকীয়ানি ।

বিবৃতি — ব্রজগী গোপীসিংগী কুমারিকা—গী ক্লিবী চুপী কা ভৈ-রিভৈদা হেমন্তঋতুগী অহৌবা থাদা হবিষ্য চানা পূ অমা চুপনা কাত্যায়নী পূজা তৌবা ব্রত তৌরি । মাখোইনা হাই 'কাত্যায়নি মহামায়ে মহাযোগিন্যধীশ্বরি নন্দ গোপসুতং দেবি পতিং মে কুরু তে নমঃ,,

হে কাত্যায়নী, হে মহামায়া, হে মহাযোগিনী. হে অধীশ্বরী, হে দেবী! নন্দ গোপগী মচাবু ঐগী ইপুরোইবা ওইহনবিয়ু, নংবু খুরুমজে" অসি হাঙ্গী। বাক্য অসি শ্রীভাগবতনা হাঙ্গী। মাদুগী তাৎপর্য্যদি- ব্রত তৌরিবী গোপীসিং অসিনা শ্রীকৃষ্ণবু মপুরোইব ওইনা ফংনিংবনা সাধন তৌরি। অতনা নিত্যসিদ্ধা শ্রীরাধা চন্দ্রাবলী অসিনাচিংবদি য়াগদে। অসুমনা থংহনলি, অদুগা কুমারী হাঙ্গীদবদা কুমারিকা হাঙ্গীবনা য়ামনা পীক্লিবীনি হাঙ্গীবাসু থংহনলি, মখোইনা "পতিং মে" শ্রীকৃষ্ণবু ইপুরোইবা ওইহনবিয়ু হাঙ্গীবদা পতি (ইপুরোই বা) বাহি অসিনা তাকই। ব্রাহ্মণ অমসুং মৈনা সাক্ষী ওইদুনা বিবাহ তৌবা মখোইনা শ্রীকৃষ্ণগী পত্নী কৌবা ঙম্মী অসি মখোইনা ফংবা পামই। "পত্যুর্নো সংযোগে" অসুমনা পানিনিনা নিংসংবনা থংনৈ। তৈইগুমসুং মাসুমনা বিবাহ তৌবদি ফংখিদে। ব্রত লোইবা মমিত্তা গোপীসিংনা যমুনা স্নান তৌরিঙৈদা শ্রীকৃষ্ণনা লেংলকতুনা বস্ত্রহরণ লীলা সংনৈ। মাদু গন্ধর্ব্ব বিবাহনি। মাদুদা শ্রীকৃষ্ণনা গোপীসিংদা হাঙ্গীরমই 'মযেমা রংস্যথ ক্ষপাঃ" ঐগা লোইনদুনা লাকইবা অহিংসিং অসিদা নংখোইনা সান্নগনি। অসুমনা তাকতুনা লৈরিবী গোপীসিংনা মাপানদা গুরুজননা থংদে, অদুগা অতোপপা নিপা অমদা খাজগনা বিবাহসু তৌদে, মাসুমনা লৈরিবী গোপীসিং অদুবু স্বকীয়াগী ভাব ওইনা বিশ্বনাথ পাদনা হাঙ্গী, মাদুগী অর্থদি - মখোই অসিতা ব্রজদা স্বকীয়া ওইনা লৈ অতৈদি পরকীয়া ঙাক্লনি। অমসু কত্যা- য়নী পূজা তৌবী কন্যাসিংসু অয়াবদি পরকীয়া ঙাকনি। মাস মখংগী মাইহনা শেংনা তাকই।

তদন্যা ধন্যাদয়ঃ কন্যাঃ পরকীয়া এব।

মহু নত্তমী ধন্যানাচিংবী কন্যা সিংদ পরকীয়া ঙাকতনি।

বিবৃতি - মাতৃ নত্তবী হ ঙ্গবদি কাত্যায়নী পূজা তৌবী গোপকন্যাসিংবা মরকপী কনাগুম্বী স্বকীয়া ভাব তৌবী থরা অদু নত্তবী, হাঙ্গবদি কাত্যায়নী পূজা তৌবী গোপকন্যা অয়াম্বদি পরকীয়া ভাব ঙাকতনি। মাখোই অদুদ ধন্যানাচিংবীনি অমুম্না হাঙ্গবনি

আকরদা হাঙ্গ ''কন্যকাশ্চ পরোঢাশ্চ পরকীয়া দ্বিধা মতা'' পরকীয়া মখল অনিনি, মাদুদি কণ্যাকা অমসু পরোঢা। কন্যকা হাঙ্গবদি ''অনূঢ়াঃ কন্যকাঃ প্রোক্তাঃ সলজ্জাঃ পিতৃপালিতাঃ''। মরা নাহংদাগিবী মপানা ঙাকনবী, ইকাই থবীবু কন্যকা কৌই। ''তত্রতুর্গাব্রতপরাঃ কন্যা ধন্যাদয়ঃ মতাঃ।'' কাত্যায়নী ব্রত তৌবী ধন্যানা চিংবীবু কন্যানি অমুম্না খংনগনি। কত্যায়নী ব্রত তৌবী কন্যাসিনা কৃষ্ণগা গান্ধর্ববিবাহ তৌখিদুনা শ্রীকৃষ্ণবু ইপুরোইবনি নিংই, মাখোইন গোল্না চাম্নবনি হাঙ্গনা নিংদে, অদুগদি ওইরগা মপানাচিংবদা ঙাকপোক্কে, ইকাইদুনা লোংপনা প্রচ্ছন্নকাম ওইদুনা মরাইনবী মপানা মরা নওবাবু মুংসিবাগুম্না শ্রীকৃষ্ণবু, তৌই, অদুনা কন্যা ওইনা পরকীয়া ওই।

মূলং শ্রীরাধাদ্যাস্তু পরোঢা. (১) পরকীয়া এব। শ্রীরাধানাচিংবী পরোঢা (অতাপপনা লুহোংখ্রবী) সিংদি পরকীয়া ভাববতা ঙাকনি।

বিবৃতি - ''গোপৈর্ব্যূঢা অপিহরেঃসদা সম্ভোগ লালসা।
পরোঢ়া বল্লভাস্তস্য ব্রজনার্য্যাঃপ্রসূতিকাঃ।''

(১) 'প্রৌঢ়াঃ' অমুম্না পাঠলে, মাদুগী অর্থদি অধিকবয়স্কঃ হায়বনি শ্রীরাধাবু জয়দেবনা 'মেঘৈঃ মৈদুর...' দা প্রৌঢ়া ওইনা হাঙ্গ।

গোপসিংনা বিবাহ তৌখ্রবী ওইদুনসু মতম পূম্নমক্তা শ্রীকৃষ্ণগী সম্ভোগতা নিংদুনা লৈরবী, সিংবু পরোঢ়া কৌই, শ্রীকৃষ্ণগী চাম্নবী ব্রজনারীসিংদি অপ্রসূতিকা মচাপোক্কবীনি, হাঙ্গবদি যোগমায়াগী থৌরাংনা শ্রীকৃষ্ণগা মুতিগী সাম্নবগীদমক গোপীসিংদা থাগী লৈ শাংত্তে। লৈ

সাংতুনা মচাগা লোইনববদি আলম্বনবিভাবতা দোষ ওই, অদুওইরব-বদি রসসু দোষ ওইগনি। শ্রীকৃষ্ণ গোপী সংগ সম্বন্ধদি 'রূপ' ওইনবগীদমক্তা সাগ্রবনি। মীচমগী ইন্দ্রিয়গী খোটাং। থুংনবা-হুড ইনবগীদমক সাগ্রবা কামক্রীড়া নত্তে।

শ্রীভাগবতনা হায়ে "সিংমব আত্মন্যবরুদ্ধ সৌরত" মাহোন্দ চরমধাতু ভাবা য়াওদব শ্রীকৃষ্ণনা সদৈ, মরম অসিন শ্রীকৃষ্ণগী ব্রজ লীলাদা বীর্য্য তাবা নৈতে, মাদুগা মাগ্নবা গোপীকাদাসু অ'র্তবরক্ত পোক্কে। শ্রীকৃষ্ণগী ব্রজগোপী লীলাদি সুপগী প্রেমরসতন মরম অসিন আগমনা হায়ে —

"প্রেমৈব গোপরামাণাং কাম ইত্যগমৎ প্রথাং" গোপরামাসিংগীদি প্রেম-তনি, কাম অগুমনা কৌবত ন। গোপী সংগা লেইননা অধুম্না লীলাদা কাম ক্রীড়া অপুম্বা ওই। অনমক্কী ইন্দ্রিয়দ চরমধাতু পোকপা য়াওদে, মাদুওম্না গোপীসিংগী পুক নিংদা মাহোউ। শ্রীকৃষ্ণগা তিন্নবা থোরকপা ইন্দ্রিয়সুখতসু মাখোইনা পামদে অমসু নিংদে. গোপী সংনা নিংই, মাদুনা শ্রীকৃষ্ণগী নুঙাইবা ওইবা অসগা পামই, অদুগা শ্রীকৃষ্ণদি গোপীসিংগী হকচাংগা তিন্নবগা থোরকপা নুঙাইবসু ফংনিংই মরম অসিনা ভগবান্ বেদব্যাসনা শ্রীকৃষ্ণনা রাস সাম্নগে নিংবাবু এংহুবরা কথাগুম্বী আত্মানে পদ প্রয়োগ তৌই, মাদু দ 'বভৌ মনশ্চক্রে' শ্রীকৃষ্ণনা গোপীসিংগা লোইনদুনা সাম্নবগীদমক পুকনিংদ থনখি হায়রবদি সাম্নবগী নুঙাইবাবু ইবুঙো মানা ফংনিংখি।

মরমদি — সৎ (মাংদবা) চিৎ (খংবা) আনন্দ (নুঙাইবা) অহুম অসিনা শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপনি। আনন্দ (নুঙাইবা) কৌবা শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপকী শক্তিবু হ্লাদিনী কৌই। হ্লাদিনী কৌবা শক্তিনা মরম ওইদুনা শ্রীকৃষ্ণনা নুঙাই অমসু অতোপ্পবুসু নুঙাইহল্লি। অদুওম্বা নুঙাইবগী পাক্কল ওইবা

হ্লাদিনী শক্তিগী লেংত্রবা মচিবু শ্রীরাধা কৌই। গোপী পুমনবক শ্রীরাধাগী অংশ ওাক্তনি। মরম অসিনা হ্লাদিনী শক্তিগী বৃত্তি (মৰৌ) দি শ্রীকৃষ্ণনা মুংঙাইবা অসিত'ন শক্তি মানা মুঙাইবদি লৈতে মীৎনা অতোপ্পবু উই, মাবু'দি মানা উদে মাহুগুম্না গোপীনা শ্রীকৃষ্ণগী মুঙাইনববু তৌই. গোপী মহাক্কী মুংঙাইনৰাদ যাওদে। মরম অসিনা গোপী প্রেমদা মুপনগী শ্রীকৃষ্ণবু মুঙাইনবতা ওইবা হ্লাদিনীগী বৃত্তি ওইবনা অতৈ অতোপ্পা অমা য়ানশিনদবা ওইবনা কবিরাজ গোস্বামীনা "গোপী প্রেম শুদ্ধ জাম্বুনদ হেম" অসুমনা উপমা তৌরমই। মৈতৈ কবিনাসু মাদবি-য়োরদা 'চোইনৌসনা কোংসুম্বী, হাঙ্গরমই। অর্থদি কুদোংবনাচিবা রসায়নিক প্রক্রিয়ানা চোইথোক্লবা হঙ্গবদি অতোপপা খনিজ পদার্থবু তানথোক্লনা তশেংবা সনাতা ওইরবা অদুগুমনা গোপীবু মুপনগী প্রেমতনা মশক ওইরবীনি হাঙ্গবনি। অসিগুম্বা গোপী প্রেমবু শ্রীকৃষ্ণগী প্রিয়া লক্ষ্মীনাচিংবনা ফংবা ঙমদে, মথুরা দ্বারকাগী ইবেম্মাসিংনসু ফংবা ঙমদে, লাইগী মুপী সিংনসু ফংদে। অসুমনা শ্রীভাগবতনা হাঙ্গি। অসিগুম্বা প্রেমনা তিনবী গোপীসিংগী শ্রীকৃষ্ণনা লমন তো-ল্লিবনি। অদুনা শ্রীমুখনা সংসংনা গোপীসিংদা হাঙ্গথিবা বাক্যবু শ্রীভাগবততা বেদব্যাসনা লেংই, মাদুদি—

> "নপারয়েহং নিরবদ্যসংযুজাং, স্বসাধু কৃত্যংবিবুধায়ুষাপিবঃ।
> যামাভজন্ দুর্জ্জরগেহশৃঙ্খলাং সংবৃশ্চ্যবঃ প্রতিযাতু সাধুনা॥"

শ্রীকৃষ্ণনা গোপীদা হাঙ্গি, হে গোপীস! অমকপা যাওদনা ঐগা তিররগী নথোইগী লমনবু ঐনা লাগ্গী পুংসি অমচুপনা নথোইবু লোলহন্দুনা লমন খুদা ঙমলরই, নথোইনা অথোকপা ঙমা হৌনরবা

মুনগী স্রোৎহিং অপুম্বাব্ থদত্তুনা ঐবু নিংশ্রবীনি। অদুগুম্বা নখোইগী অকবা অচুতনা নাখোইগী লমনখুম্বা ওইসনু।

অসিগুম্বা চীন্না হাঙ্গৈবা থোক্তবা, তাইবংপানবদা ওইবা হৌনদবা, প্রেম অসিনা দন্দব্রজদা গোপীসিংনা ওই-বাবু পরমভাগবত উদ্ধবনা উত্থনা হাঙ্গৈরমই,—

আসা মহো চরণ রেণু জুষামহংস্যাং,
বৃন্দাবনে কিমপি গুল্মলতৌষধীনাং।
যাদুস্ত্যজং স্বজনমার্য্য পথঞ্চহিত্বা
ভেজুর্মুকুন্দপদবীং শ্রুতিভির্বিমৃগ্যাং ॥*

অসিগুম্বী প্রেমবতী গোপীসিংগী থুয়াদা পকপা উকু-লবু ফংবা নাপীসিংগী মরক্তা ঐস্সু নাপো অমত্তং ওইনা পোকচগে অসিগুম্বী গোপীসিংনা থাদোকপা উম্বা হৌনদরা মাখোইগী স্বজনবু আর্য্যসিংগী লীচৎ ওইবা লাম্বনবুসু হু-প্লেক্তুনা শ্রুতিসিংনা থিনবিবা মুকুন্দগী পদবীবু ফংলে।

মাস্সুম তৌহুনা মথুরাপুরগী মুপীসিংনা দ্বারকাগী ইবে-মাসিংনস্সু অসিগুম্বা গোপী প্রেমস্সু ফংনিংই। অদুবু মাখোইনা ফংদে। তৌইগুমস্সু মাখোইনা থংই, থংহুনাস্সু মাখোইনা মাহুওইনা শ্রীকৃষ্ণবু সেবা তৌবা ফংদে। মহাত্মা ভীমনা মাহাক্কী হকচাং থাদোকলমদাইদা হাঙ্গৈরমই,

"কৃতমনুকৃতবত্য উন্মদান্ধা প্রকৃতিমগমন্ কিলযস্যগোপবধ্ব:,,

শ্রীকৃষ্ণগী প্রেমনা ওকখ্রবী গোপীসিংনা শ্রীকৃষ্ণনা তৌখিবা লীলাবু মানবা মাখোইনা তৌহুনা শ্রীকৃষ্ণগী প্রকৃতিবু ফংখি।

শ্রীকৃষ্ণনা মহাকপু সখী অমুম্না কৌবী, এখা ভক্ত পাণ্ডবকী মহারাণী দ্রৌপদীনা এরুবাগী সভা ময়াইদা দুশাসননা মফি মুন্দুনা ইকাইবা পীরবদা মুপী ওইবগী অয়োইবা অয়াবাদগী কনবিনবা উরক্তুরবদা শ্রীকৃষ্ণগী গোবিন্দ কৌবা মিঙ্গৌনা কৌহুনা লাপনা লৈখ্রবা শ্রীকৃষ্ণবু কৌহুনা তেংথাখি। মতন অহুদা দ্রৌপদীনা নিংসংখী মীওইবা লোক্তা দেব লোক্তা বৈকুণ্ঠ দাস্মু কনাগুম্বা অমনা ফংবা ঙমদ্রবা, যোগীন্দ্র, মুনীন্দ্র-সিংনা খলহুনাস্মু ফংবা ঙমদ্রবা গোপী প্রেম, প্রেম অহুবু শ্রীকৃষ্ণমকনা লমন ৎম্বা ঙমদ্রবা অহুগুম্বা প্রেমনা তিনবী গোপীসিংবু দ্রৌপদীনা নিংসংখি, অহুনা শ্রীকৃষ্ণবু কৌবদা দ্রৌপদীনা মুপী ওইবগী অয়াবগী পন্দোলোমলবদা মুপী ওই-বগী প্রেমগী অয়োইবী গোপাবু থাহুনা কৌই।

"গোবিন্দ দ্বারকাবাসিন্ কৃষ্ণ গোপীজনপ্রিয়"

"হে—গোবিন্দ, হে—দ্বারকাবাসিন্ হে—কৃষ্ণ হে-গোপীজন প্রিয়। শ্রীকৃষ্ণগী গোপীতত্ত্ব খংদবা পণ্ডিতশিংনা হাঙ্গি, গোপীপতি শ্রীকৃষ্ণবু মহাভারতনা হাঙ্গিদে। মহাভারতকী শ্রীকৃষ্ণগা গোপীগী মবুঙোগা অমা মমনি অসিনাচিংবা। দ্রৌপদীনা মাগী অয়োইবা মতমদা শ্রীকৃষ্ণবু অয়োইবা রাহৈনা কৌবা "গোপীগী চান্নবা" রা অসি কয়া মমন য়ামখ্রবা, মাসিবু মহাভারতনা বেদব্যাসনা সংসংনা লেংই।

মূল— "কিয়ন্তাঃ গোকুলেশ্বীয়া অপিপিত্রাদি শঙ্কয়া পরকীয়া এব।"

গোকুলদা কনাগুম্বী (শ্রীরাধান চিংবী পরোঢ়া নত্তবী) সিংদি মাখোইগী পুকনিংদা স্বকীয়া ভাব ওইহনা লৈ, অদুবু ফোংনা হাঙ্গদোক্কদবদা হন্দোইহনা পরকীয়ামক ওই।

মূল— দ্বারকায়াং রুকিম্ণ্যাদ্যাঃ স্বীয়া এব।

দ্বারকাদা রুক্মিণীনাচিংবী পুমনমক স্বকীয়া ভাক্কনি।

বিবৃতি— শ্রীরুক্মিণীনাচিংবী দ্বারকাগী ইবেমাসিংনা গোপী প্রেমবু থাঙ্গৎশংনা য়োদে। মরম অসিনা দ্বারকাগী ইবেমাসিংদি প্রসূতিকানি, মগা চেল্লি, থাগী লৈশাংপি মাখোইনা শ্রীকৃষ্ণবু মুতিগী সেবা তৌবা ফংনবগীদমক যোগ মায়ানা উপায় তৌদে, অমসু শ্রীকৃষ্ণসু মাখোইদদি অসকন্ধ সৌরত ওইদে, শ্রীকৃষ্ণসু ইবেমাসিংসু চরম ধাতু ওইহনা পত্নী হাবী-সিংগী মচা শুন্না লৈ। মাখোইনা মতম পুন্নমক্তা আলম্ব বিভাব ওইবদা দোষ লৈ, অমসু রসসু মতম পুন্নমক্তা দোষ লৈতবা ওইদে।

ব্রজদা শ্রীরাধানাচিংবীনা নিত্যসিদ্ধানি, মাদুগুম্না পুরদা শ্রীরুক্মিণীনাচিংবীসু নিত্যসিদ্ধানি, অদুন্নদি ওইরগা প্রেমদা গোপীপ্রেমনা হেন্নলুবগী মরমদা রস শান্নবা বিগার তৌই, মা হুদি :—

শ্রীকৃষ্ণ বিষয়িণী রতি (শ্রীকৃষ্ণদা রতি লৈবা) হাঙ্গবগী অর্থদি—শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবাতা পান্না মথাগী পেন্নবা পামবা লৈতবা হাঙ্গবনি। মহাকপু কান্তারতি মাদুম হাঙ্গরো হাঙ্গ

রগা মধুমারতি কৌই। মাদুদি সাধারণা, সমঞ্জসা অমসু সমর্থা অসুম্না অহুম থোকই। মধুরাগী কুজারাণীদা সাধারণা রতি ওই, দ্বারকাগী মহিষীসিংদা সমঞ্জসা অমসু ব্রজ গোপীদা সমর্থা রতি ওই। সাধারণী রতি

"নাতি সান্দ্রা হরেঃপ্রায়া সাক্ষাদ্দর্শনসম্ভবা :।

সম্ভোগেচ্ছানিদনয়েং রতিঃ সাধারণী মতা।।"

শ্রীকৃষ্ণবু সংসংনা উবদগী হৌবা সম্ভোগ পাম্বনা থোকপা, অমসু মানা থোইনা কৃণ্ডসিনদবা রতিবু সাধারণী রতি কৌই। উদাহরণ কুজানা শ্রীকৃষ্ণবু উবদগী শ্রীকৃষ্ণগী রূপ মাধুরীনা ওকখিত্নুা মাগী মুত্তাইবা পাম্বাগী মশক ওইবা সম্ভোগগী ইচ্ছা পোকখি। মাদুগী মতুংদা অমুশনিংখিবা অসিনা ঐবু মাসুপ য়ামনা মুত্তাইবা পীরে, ঐসু ইবুঙো অসিবু ঐগী ইশা অসি কংতুনা অমোক্তং পেনহনগে অসুম্না শ্রীকৃষ্ণবু পেলহনিংবা রতি অসি পোক্লকই। অদুনা মহাক্কী কৃষ্ণবু মুত্তাইহনিংবনা রতি অসি অহানবদা মাগী মুত্তাইনিংবনা হৌখিবা ওইবনা য়াম্না কুণ্ডসিনদে, য়োবা ও'দে, মাসিবু সাধারণরতি কৌই। সাধারণা রতিগী লক্ষণদা "প্রায়া" রাহে অসি হাপ্লাগী মরমদি শ্রীকৃষ্ণবু উদারিডৈদা চুকগী তাবনাচিংবদদি মাদুগুম্না রতি অদু পোক্তে মুপনগী শ্রীকৃষ্ণবু সাম্ভোগ তৌবা পাম্বদি পোক্লবসু শ্রীকৃষ্ণবু ঐগী ইশা কক্কম্না পেনহনগে হাইবা রতিদি পোক্লমদে। অমসু

অসিগুম্বী সাধারণী রতিনা কুংশিনবা ওমদবগী মরমদি কারণগী গুণনা কার্য্যদাস্থ লৈবা হৌনৈ, মাদুদি লং অগাংবনা শাবা কাদি ওাংই, মাদুগুম্না মানা শ্রীকৃষ্ণবু উবা নুঙাইখিবনা মাদুনা পোক্লকপা শ্রীকৃষ্ণবু নুঙাইহনিংবাস্থ মানা নুঙাইবা কৌবা কারণগী গুণ অদুগা লোইনদুনা লৈবনা কৃষ্ণবু নুঙাই-হনিংবাবু তশেং তশেংবা ওমদে, মরম অসিনা সাধারণী রতিনা কুণ্ডসিনবা (সান্দ্র ওইবা) ওমদে। সাধারণা রতিনা চাওখৎপনা প্রেম কাওবা য়োই(প্রেমাভিমান। উঃস্তা ১৬৪১।)

সমঞ্জসারতি - " পত্নীভাবাভিমানাত্মা গুণা দ শ্রবণাদিজা॥
কচিদ্ভেদিত সম্ভোগতৃষ্ণা সান্দ্রাসমঞ্জসা॥"

শ্রীকৃষ্ণগী গুণনাচিংবাবু তাবনাচিংবদগী অহানবা পোকপা, ঐ শ্রীকৃষ্ণবু পত্নী (ব্রাহ্মন, মৈনা শাখী ওইদুনা) ওইদুনা পেলহনগে হায়না নিংবী, অমসু করিগুম্বা মতমদা মাগী নুঙাইবা পাম্বা সম্ভোগগী ইচ্ছা পোকপা, য়ামনা কুণ্ডসিনবী রতিবু সমঞ্জসারতি কৌই। উদাহরণ কুণ্ডিননগরদা ভিষ্মক নিংথৌগী মচানুপী শ্রীরুক্মিনীনা নারদনাচিংবনা শকপা শ্রীকৃষ্ণগী গুণনচিংবাবু তাবনাচিংবদগী ঐনা শ্রীকৃষ্ণগীদমক পেম্নবা ইশাকৎতুনা সেবা তৌগে নিংখি। ইবেমাগী অসিগুম্বী শ্রীকৃষ্ণবু নুঙাইহনিংবা রতি অসি মথং মথং কুণ্ডসিন্নকতুনা লোককী চৎনবী বিচারনা পন ওইনা থিংবাবু ইবেমাগী প্রেমা খদংতুনা চাওখংখি। মুপীনা চৎনবীদা মুপাব চাইক্তবা

চঙনদে, নিপাল্লনা হাঙ্গীজরগা মুপীনা ওইনা তানবা গুমদা লৈরগা চৎনবী প্রেমদা হেনগৎলি। মাদু ইবেমালা ওইরা রুক্মরে;। দ্বারকা তান্না ব্রাহ্মণ মচা অমা চৎহন্দুনা ইবেমাগী অনঙ্গলেখা (চিঠি) অমা শ্রীকৃষ্ণদা পিদুমলি। চিথি অদুদা ইবেমাগী পুকনিং অপুম্বা ফোংদোকতুনা হাঙ্গী। মরোনদি শ্রীকৃষ্ণনা কুণ্ডিন-গরদা লেংলকতুনা শিশুপালনা চিংবদগী মুদুনা মাবু লৌবিম্ অসিনি। ইবেমানা মুপী ওইবগী অথোইবা লন ইকাইবাবু হুপ্লেকতুনা মহাক্কী মশামকপু কতুনা শ্রীকৃষ্ণবু পেলহনগে নিংবনা সাধারণা রতিদগী হেনবী সমঞ্জসারতি ওই। সমঞ্জসারতিদি শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবা তানিংবা মাগী মশাগী মুঙাইনিংবা সম্ভোগেচ্ছা য়াওদবনা থোকখিবনি। অদুনা মতুংদা করি ২ গুম্বদা রুক্মিণীনা চিংবীইবেমানা মাগী মুং-ঙাইনিংবা সম্ভোগেচ্ছা য়াওরকই, মাদুগী থুদমদি চরমধাতু থোক্নবা মচা পোকই। অদুম্না য়াওদুনসু মহিষীসিংদা লৈবা সম্ভোগেচ্ছাদি শ্রীকৃষ্ণবু পেনহনগে নিংবা রতিনা পোকপনি কার্যদা কারণগী গুণনা প্রধান ওইনা মাহিষীসিংগী সম্ভোগেচ্ছাদি লৌপনি হায়রি থংনবগীদমক শাস্ত্রনা কচিং—করিগুম্বা মতমদা মাহিষীসিংগী সম্ভোগেচ্ছা ওই, অম্মা হাই। অদুনা সমঞ্জসারতিনা মথং মথং হেনগৎপনা অনুরাগ ফাউবা য়োং।

সমর্থারতি— কিঞ্চিদ্বিশেষমায়ত্যা সম্ভোগেচ্ছা যয়াভিতঃ।
রত্যা তাদাত্ম্যমাপন্না সা সমর্থেতি ভন্যতে॥

সাধারণারে সমঞ্জসারে অনিদগী তোঙানবা হাইনঙাই লৈবা মতৌ অমা ওইবী, শ্রীকৃষ্ণবু পেনহনবা রতিনা (সম্ভোগেচ্ছা) মাগী মুঙাইনবা পম্বাগা মশা অমতা ওইনা তিন্নাগ্নবী রতিবু সমর্থা রতি কৌই। সম্ভোগ মথক্ অনি থোকই, মাক্লদি চান্নবানা মরম ওইদুনা চান্নবী মাগী মুঙাইনবাগীদমক ওইবা সম্ভোগ অমা, অমনবু চান্নবী মহাক্না মরম ওইদুনা মাগী চান্নববু মুঙাইহনিংদুনা ওইবা সম্ভোগ অমনি। অনিশুম্বা সম্ভোগ মথক অনিসিগী মরক্তা অহানবগী সাম্ভোগনা কামনি অনিস্নুবনা রতিনি। অনিস্নুবা রতি কৌবা সম্ভোগনা চান্নবীনা মাগী মুঙাইবগী দমকনি, হাইনা নিংদুনা চান্নবী-দমক্তা মুঙাইনবগীদমক্তা ওইদুনাসু চান্নবগা শোক্নরবদা থো-রকপা মুঙাইবাবু চান্নবীদুনা ফংগোই হাঙৈনা নিংবদি, নিংঙৈ। হাঙৈবা মঙাই মানাহেক্তা ফংফম থোকই, মতাং অসিদনি সমঞ্জসাগা সমর্থাগা খেন্নবা মফম অসিন্নাইদনি। কুবজানা মাগী হকচাংব্রু ইবুংঙোদা কৎতুনা ইবুঙোবু মুঙাইহনিংই থৌইগুম্বসুং কুবজানা মাদুমনা নিংলকপাহ্ মানা শ্রীকৃষ্ণবু চেকনা মুঙাইখিবা, মাগী ইন্দ্রিয়গী মুঙাইবনা এনা মুঙাইবদি শ্রীকৃষ্ণবুসু মুঙাইহনগে নিংলকপানা কারণন্না মাগী মুঙাইনবা ওইখীবনা শ্রীকৃষ্ণগী থৌগল তৌরকপদা শ্রীকৃষ্ণনা শোক্নন-রমদনা মানা মুঙাইরকপা মদু কুবজানা খিন্নবা মদু কুবজানা শ্রীকৃষ্ণবু মুঙাইহনগে নিংদুনা থৌগলতৌরগা মাদু

মুঙাই। পুরগী মহারাণী ইবেমাসিংনা শ্রীকৃষ্ণগী মুঙাইনবগী-দমক মশ মক কৎতুনা সেবাফংলবা মতমদা শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীঅঙ্গ-গা শোকনরুবাগী মুংঙাইবা অমা মাংখাইদা ওইরকপা অতু থিংবা ঙমই, অতুমনদি ঙমলগা মতম পুমনমক্তা চান-ননা ঙমদে, ইবেমাসিংদামু খরা ওইবকপা মতম লৈ, মবম অতুনা ইবেমাসিংগী রতিনা অনুরাগ ফাওবা চাওখৎলি,

মবম অসিনা শ্রীভাগবতনা হাঙ্গি পুদ্রগী ইবেমা পুমন-মকনা শ্রীকৃষ্ণবু ফাবা ঙমদে।

"পত্ন্যাস্তু ষোড়শ সহস্রমনঙ্গবাণৈ
র্যস্যেন্দ্রিয়ং বিমথিতুং করণৈর্নশেকুঃ।"

শ্রীকৃষ্ণগী লৈমা লিশিং তরাতরুকনা কামগী তেনখিবিকনা মরম ওইতুনা শ্রীকৃষ্ণগী ইন্দ্রিয়বু শোইহৎপা ঙমখিদে, অমুম্না হাইরিবা অতু ইবেমাসিংনা শ্রীকৃষ্ণগা শোক্লরবা মতমদা ওইরকপা মুঙাইববু মরক মরক্তা থিংবা ঙমদবা মরমননি। মাদুদা মশাগী মুংঙাইববু থিংবা ঙমদ্দি মুপনগী সমর্থারতিতনি, মাদুবু ঙমই, হাইতুনা সমর্থা (ঙম্বী) বতি কৌই। ব্রজাগোপীতদা ওই। মরম অসিনা ব্রজ-গোপীদি ইকাইবা, অকিবা, চৎনবী ধর্ম্ম, পুম্নমক থাদোকপাদা করি অমতা থন্দে অমুম্না শ্রীভগবতনা হাই "মদর্থে ত্যক্ত-লোকবেদ স্বানাং"।

পুরগী ইবেম্মাসিংদি মুপী ওইবাগী ইকাইবা থাদোকপদি

ওমই. মানা কুণ্ডিন নগরদগী শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চৎক-দবদা লোক বাদ, মপা, মকুংনচিংবগী গঞ্জনা কিদুনা চৎপা ওমদে, বেদগী ধর্ম্ম বিবাহ যজ্ঞ তৌবা, ব্রাহ্মণনা শাক্ষী ওইবা অহু তৌঘিনবাগীদমক মীথাদুনা নিজে, মাদুনা বেদগী ধর্ম্ম. সমাজগী ধর্ম্ম, লোক ভয়, গুরুজনগী ভয় থাদোকপা ওমদে। গোপীদি—মাদু ইরাই শাইনা থাদোকখি, অদুনা মহানুভাব শ্রীরূপগোস্বামীপাদগী তাইবংদা ওইখিদ্রিবা য়াহৈনা গোপীগী সমর্থারতিবু "সর্ব্ববিস্মারিগন্ধা" কৌরম্মই। মাদুগী অর্থদি গোপীসিংনা শ্রীকৃষ্ণগী থৌগন তৌরকপা মতমদা শ্রীঅঙ্গগী শোরুকবদগী মখোইদা ওইরকপা নুঙাইবদু মাখোইনা লৌবদি থম্নদুনা মনম ফাউবা গোপীদা লৈতে, অদুনা গোপীগী সমর্থা রতিদি মথং মথং মহাভাব ফাউবা চাওখংলি। শ্রীকৃষ্ণনা গোপীদা "বদ্ধ" ওইরতনি, হায়বদি চরমধাতু থলিত ওইদে, গোপীদাসু মুপীগী চরমধাতু লৈ শাংতে।

মূলং—তত্তশ্চ মুগ্ধা মধ্যা প্রগলভা ইতি ত্রিবিধাঃ। মধ্যা মানসময়ে ধীরামধ্যা; অধীরামধ্যা. ধীরাধীরা মধ্যা ইতি ত্রিবিধাঃ। যা সাগসং প্রিয়ং বক্রোক্ত্যা সোৎপ্রাসং বক্তি সা ধীরা মধ্যা। যা রুষা পরুষৈব বৈকোর্বস্তং নিরস্যেৎসা অধীরা। যা প্রিয়ং বক্রোক্ত্যা সবাষ্পং বদতি সা ধীরা ধীরা।

অতুগী মথংদা মুগ্ধা, মধ্যা, প্রগল্‌ভা অম্সুম্না অহুম থোকই। অহুম থোকলিবি অসিগী মনুংদা মধ্যানা মানগী মতমদা ধীরা মধ্যা, অধীরা মধ্যা অমসু ধীরাধীরা মধ্যা অম্সুম্না অহুম থোকই। মানগী মতমদা দেখ লৈরবা চান্নবাবু বক্রোক্তিনা (থেদোকপা কারেমনবা ৱাহৈনা) লাউনা ঙাংবীবু ধীরা মধ্যা কৌই, উদহরণ—"নংনা তৌগদবদি মাসিন্দিদনা নত্তিক চাইদা হেইবুঙো, নমীৎকী কাজল মখোংগী যাবক, মকুপন্না নশা অপুম্বা থল্লে. হেমুঙাং মহাদেব নরাইপক্তা থা মচেৎ থোকলিবা, ঐনা নথন্তা উবা চুমদে, হাই, হৌনদে হেশাগী মপূ, নংনা লুনা তৌজবী নবেমবু নশাগী তংখাই ওইহ্না কৈদৌহনা লাক্লো "চৎ—লো ৱাহৈ অসি লাউনা হাঙৈহ্নুনা শ্রীরাধানা খণ্ডিতা বস্থাদা শ্রীকৃষ্ণবু কারেম্নবনি, অর্থদি ওরাং অহিংদা চান্নবীনা শ্রীকৃষ্ণবু নমথুহ্নুনা চুপ্পা

মাইদা খুজিলনা খোৎপদা শ্রীকৃষ্ণগী মীৎতা তৈবা কাজল, চাইথোকল্লিবা, চান্নবীগী খুয়াদা তৈবা য়াবক অঙাং বনা শ্রীকৃষ্ণগীহকচাং অপুম্বদা চহ্নুনা মরাং মরাংবা অহু ব নীললোহিত মুনাঙাংবা মহাদেবদা পানথৈ তৌহ্নুনা চান্নবীনা খুজিন্না হোৎপগী ময়িবু লাইপক্তা থোকপা মহাদেবগী থামচেৎ ওইনা পান্দম। মহাদেবদি ওইথংবা হকচাং তম্থাইনা উমাগী ওইহ্নুনা মুমিৎ চুপপা মতুনা নাকল অমা ওইহ্নুনা লৈমম্নৈ, নংদি নতু পুরক্তবা চুমদে, ঐনা

নথন্তা উনিংদে, চৎলো হাঙ্গৈনা লাওই। মাসি য়ায়া নহাক্ ওইদবী মপুক তপপী নুপীনা মরাদা মান তৌবদা মাসি-গুম্বা রাহৈ অসি পানথৈ তৌহুনা লাওনা হাঙ্গৈ, মাহুদি শ্রীমতী রাধিকানা কৃষ্ণদা হাঙ্গৈ অম্নমা বিশ্বনাথন পাদনা পামই।

অখিবামধ্যাদি সাউহুনা অযাকপা য়ংথং হাঙ্গৈহুনা চান্নবাবু তা-থোকপববু অধীরামধ্যা কৌই। উদাহরণ হেকংসগাএক্লবা! ঙবাং নুমদাং নংগী চান্নবীগী রাংলবা থবাকতা নৈনকবা নরিক অসিনা নুমদাং সান্নরুরে হাঙ্গৈনা ঐঙোন্দা তাকপে, লৌনম তৌবী আভীব নিঙোননা সুম-হৎহুনা ঙাওরবা! লৌনম তৌহুনা-ত্তবা রাঙাংনা শরিক খিংবিরনু তানিংদে থুনা চৎলো নৈবা য়াদে সিদা।

ধীরা ধীবাদি পানথৈ তৌহুনা চান্নবাবু মাংতা পী তানা হাঙ্গৈ।

উদাহবণ " হে গোপ নিংথৌগী মচা! কপকনু চৎলো চৎলো, নংগী থমোইগী মবেমা অত্রনা সাউগনি, নকোকথক্তা নৈবা লুহুপ মতোননা নবেমাগী খুয়াদা তৈবা যাবককী লৈখোম্ব হুরকলে, অমোক মাহুনা মাগী মখোংদা তৈবিহুনা লৈতেংবিরু।

ব্যাখ্যা—রাহৈ অসি ইবেমা শ্রীরাধানা হাঙ্গৈরিবনি হে গোপ নিংথৌগী মচা কপকনু হাঙ্গৈবদি নংগুম্বা নিংথৌমচা-

মধু কল্পা হৌনবরা ঐতা মকপচগে হাঙ্গীবনি, রাহৈ অসিনা ইবেমা মশানা পী তাদুনা হাঙ্গীরিবনি মান তৌব। মতমদা মুগ্ধা ওইবীনা হৈতাদুনা কপ্পুনাতা নৈ।

মধ্যাদ'দ মুগ্ধাগী কপপস্থু য়াওরগা মুগ্ধা'বু সানথোরকপনা কপনাঃ রাঙাংই, মধ্যাগী অবস্থা যৌবননি।

অমস্থু রাহৈ অসি তশেং তশেংনা হাঙ্গীবনা ধীরা ওইবী সুপীগী রাহৈনি. মথংদা হাঙ্গীবা" চৎলো চৎলো থমোইগী মবেমানা সাওগনি " হাঙ্গীবদি মাস্থুন্না ঐবু কপ্পুনা থুরুমই হাঙ্গীবসি তারগা নবেমানা সাউগনি হাঙ্গী অসিনা শ্রীরাধাগী রাহৈনি অমস্থু হাই" না'কোক্তা লৈবা লুহুপ মতোননা নবেমাগী খুয়াদা তৈবা থবাক্কী লৈথোম হুরকপে, হাঙ্গীবদি নংনা নবেমাবু য়ানবা মখোংদা না'কোক্লা শোক্লা। থুরুম্বদা নবেমাগী খুয়াদা তৈবা যাবকপু নংগী লুহুপ—

মতোন্না হুরকপে, অদুনা হুজিক ঐঙোন্দা থুরুম্বসি তারগা সাওরবদা নংনা হুরকপা যাবক্কী লৈথোমদু অমোক হন-বিদুনা মখোইদা তৈবিরু চৎলু মাদুম তৌদুনা সাওবা থেম্মু চংলো, হাইবান, রাহৈ অসি বক্রোক্তিনি পানথৈ তৌদুনা চৈবনি, চৈবা অসি য়াম্না হোনা চৈরগা ধীরাগী রাহৈনি, মকম অসিদদি অধীর'গা ধীরাগা মচেং মচেং য়াম্রবনিনা [illegible] রাহৈ অসি লেখনা হাঙ্গী। অসিনা চিংনা থংনাসি।

মূলং—তত্র প্রগল্ভাপি ধীর প্রগল্ভা অধীর প্রগল্ভা ধীরাধীরা প্রগল্ভা চেতি ত্রিবিধা । তত্র নিজরোষ গোপনপরা সুরতে উদাসীনা যাসা ধীরপ্রগল্ভা, পালিকা চন্দ্রাবলী ভদ্রাচ । নিষ্ঠুর তর্জনেন কর্ণোৎপলেন পদ্মেন বা-যা শ্রীকৃষ্ণং তাড়য়তি সা অধীরপ্রগল্ভা শ্যামলা । রোষ সং গোপনং কৃত্বা কিঞ্চিৎ তর্জনং করোতি যা সা ধীরা ধীর প্রগল্ভা মঙ্গলা । মুগ্ধাস্তিরোষেণ মৌনমাত্রপরা একং বিধৈব । এবং ত্রিবিধা মধ্যা. প্রগলভা ত্রিবিধা, মুগ্ধাএকবিধা । স্বাকীয়া পরকিয়া ভেদেন চতুর্দ্দশবিধা কন্যা মুংধ্বৈবৈকবিধা ইতি পঞ্চদশ বিধা নায়িকা ভবন্তি ইতি—

প্রগল্ভানায়িকাসু ধীরাপ্রগল্ভা, অধীরা প্রগলভা, অমসু ধীরা ধীরা প্রগল্ভা অসুম্না মখল অহুম থোকই । মা-তুদা মহাকী অসাওববু লোৎসিনবী সুরতদ য়াদবীবু ধীরা প্রগল্ভা কৌই মাতুদি পালিকা, চন্দ্রাবলী অমসু ভদ্রানি । থিনা-চৈতুনা নাদা চিনবা থরোনা থম্বাননা শ্রীকৃষ্ণবু ফুবিবু অধীরা-প্রগল্ভা কৌই মাতুদি শ্যামলানি । অসাওববু লোৎসিনবী থজিত্তং চৈবীবু ধীরা ধীরা প্রগল্ভা কৌই মাতুদি মঙ্গলানি । মুগ্ধাদি সাওতুনা রাঙাংদনা লৈ, মহাক্তি মখন অমত্তনি । মাম্নুদ ভৌতুনা মধ্যা মখন অহুম, প্রগল্ভা অহুম অমসু মুগ্ধা অমা সুপনা নায়িকা তরেৎ শুয়ে । স্বকীয়া অমসু পরকীয়া হা-ইনা তরেৎপু অনি থোকমা থাইরগা তরামরি শুই, মতুদা কন্যা

ওইবী মুগ্ধা মখনঅমা হাপলগা তরামণ্ডা স্বরে। মাস্থম তৌহ্না নায়িকা মখন তরা থোকই।

বিবৃতি প্রগল্‌ভা পূর্ণতারুণ্যা মদান্ধোরুরতোৎসুকা।
ভূরি ভাবোদ্‌গমাভিজ্ঞা রসেনাক্রান্তবল্লভা ॥
অতিপ্রৌঢ়োক্তিচেষ্টা সৌ মানে চাত্যন্তকর্কশা ॥"

প্রগল্‌ভা নায়িকা কৌবদি পূর্ণ তারুন্য। (মথোংকাবগী মওং সুরবী থিক্‌থা নিং ম পুং ফানা নোইবা অমসু মীংনহা তথকপা) মদান্ধ(রতিসুখনা অতৈ কাউহ্না ভকপা) উরুরতোৎসুকা (মুমিৎ চুপপা রতিগীদমক্তা খৌরাংহ্না লৈবা—পেনবানাইদবা) ভূরি ভাবোদ্‌গমাভিজ্ঞা (মতম অমত্তদা ভাব য়াম্না পুলপ থোকনবা হৈবা) রসাক্রান্ত বল্লভা (সম্ভোগা য়াম্না ওইহ্না পেল্লবা চান্নবনা ঐগী খুহ্নদা লৈবা ওইসনু নিংবা) অতি প্রৌঢ়োক্তি চেষ্টা (সম্ভোগ রতীলীলাবু থোইগৎনা হাঙ্গনবা হোৎনবা) মানেচ অত্যন্তকর্কশা ওইবা (য়াম্না কন্না মান তৌবা হাঙ্গবদি চান্নবনা থেম্বদা কোকঙমদবা মান তৌবা দুর্জয়মান তৌবা) হাঙ্গখ্রবা মওংসিং অসি প্রগল্‌ভা নাকাংদাওই।

অসিগুম্বা প্রগলভা নায়িকা অসি ধীরা অধীরা অমসু ধীরাধীরা হাইনা থাইরি, মাদুদি—মপুং ফারবী নায়িকানা ধীরা—অতপ্পী ওইরগা মানগী মতমদা মপুকতা সাওনিংবাবু মপান্দা উহনদে, অদুগা য়াম্না ব্যবহার তৌই, সুরত লীলা ওইগে হাইনা চান্নবনা থৌরাং তৌবাবু য়াদে।

প্রগল্‌ভা নায়িকানা অধীরা—তপতবী ওইরগা চায়-বাবু সাওহনা খিন্না তৌহনা তানথোকই, অহুগা মুংসি-বাবু ফুই ।

প্রগল্‌ভা নায়িকানা ধীরাধীরা,—তপপগা তপতবগা য়ান্নবী, ওইরগনা তপপী (ধীরা) গী অমসু তপ্তবী গা মওং অনিহু য়ান্ননা চংলি । মাসুম তৌহনা মুগ্ধা থারগা নায়িকা মখল ১৫ সুই ।

অথাষ্ট নায়িকাঃ ।

অভিসারিকা, বাসক সজ্জিকা, বিরহোৎকণ্ঠিতা, বিপ্রলব্ধা, খণ্ডিতা, কলহান্তরিতা, প্রোষিতভর্ত্তৃকা; স্বাধীন ভর্ত্তৃকা । আভিসারয়তি কৃষ্ণং স্বয়ংবাভিসরতি যা সাভিসারিকা নিজংকুঞ্জ মন্দিরে সুরতশয্যাসনং মাল্য তাম্বূলাদিকঞ্চ মদণোৎ সুকা করোতি যা সা বাসকসজ্জিকা । কৃষ্ণে বিলম্বে সতি তেন বিরহেণ উৎকণ্ঠাতে যা সা বিরহোৎকণ্ঠিতা । যদি নায়া ত্যেব কৃষ্ণস্তদা তেনবঞ্চিতা যা সা বিপ্রলব্ধা। প্রাতরাগতংম অন্যাকান্তাসম্ভোগচিহ্নযুক্তং কৃষ্ণং রোষেণ পশ্যতি যা সা খণ্ডিতা। মানান্তে পশ্চাত্তাপং করোতি যা সা কলহান্তরিতা কৃষ্ণস্য মথুরা গমনে সতি যা দুঃখার্ত্তা সা প্রোষিত ভর্ত্তৃকা। সুরতান্তেবেশাদ্যর্থং য কৃষ্ণমাজ্ঞাপয়তি সা স্বাধীনভর্ত্তৃকা এবং পঞ্চদশানামষ্টগুণিতত্বেন বিংশত্যুত্তরশতাণি । পুনশ্চো ত্তম মধ্যমকনিষ্টত্বেন ষষ্টুত্তরাণি ত্রীণিশতানি ।

নায়িকা ভেদাণাং তাসাং ব্রজসুন্দরীণাং মধ্যে কাশ্চিন্নিত্য-সিদ্ধা; শ্রীরাধা চন্দ্রাবল্যাদয়ঃ। কাশ্চিদ সাধন সিদ্ধাঃ চ তত্র কাশ্চিৎ মুনিপূর্ব্বাঃ কাশ্চিচ্ছ্রুতিপূর্ব্বাঃ কাশ্চিদ্ দেব্য ইতি জ্ঞেয়াঃ।২।

হৌদ্রিক্তি অষ্ট নায়িকা হাঙৈরি – অভিসারিকা,২বাসক সজ্জিকা ৩ বিরহোৎকণ্ঠিতা, ৪ বিপ্রলব্ধা ৫ খণ্ডিতা, ৬ কলহান্তরিতা, ৭ (প্রোষিতভর্তৃকা) অমসু ৮ স্বাধীনভর্তৃকা নিপান অসিনি চ ১নায়িকানা শ্রীকৃষ্ণবু সঙ্কেতস্থান (উনসি হাঙৈনা থংনবা মফম)দা চৎহনবা অমসু মানা চৎপা অতুগুম্বী নায়িকাবু অভি সারিকা কৌই।

মহাক্না ইকাইহনা মশাবু লোৎলি, সুগুন্ননচিংবা অল-ঙ্কার মথোন হৌহনদে, ফীরূপ খোংজিনলি। মতুংগী চানবা সখী অমত্তা লোইনৈ। ২ শ্রীকৃষ্ণনা নং কুঞ্জদা লৈরমউ, ঐ থুনা লাক্কনি হাঙৈনা তাক্কুনা কুঞ্জদা লৈরবদা মহাক্কী হকচাংবু অমসু লৈফম্বু শয্যা থাহনা লৈ, পানান্নাচিংবা মভিবু খোরাংহনা শেমশাবাবু বাসকসজ্জা কৌই। ৮ অসিগুম্বী অবস্থাদা লৈবী নায়িকানা তৌবা থবক্তি হো-রেন শ্রীকৃষ্ণ লেংলকলগা মান্নম মান্নম সান্নহনা ইবুঙো মুত্তাইহনগে খনবা, শ্রীকৃষ্ণনা লেংলকদবা লম্বেনদা লেলে-ক্লবরা এংবা, সখীনা অমবা মুত্তাইবাবু, শ্রীকৃষ্ণগী পাও তাবা, মুখীবু হরা ২ এংবা অমনি।

২ বাসক সজ্জিকা; কুঞ্জ মন্দিরদা শ্রীকৃষ্ণ লেংলক্লগা সান্নবা—সুরতশয্যা শেম্বা, মদনগী দমক পুক্লদা লাওত-ক্লবা,বু বাসকা শজ্জিকা নায়িকা কৌই। ৩ মাস্থুন্না শ্রীকৃষ্ণবু ওাইবদা শ্রীকৃষ্ণনা লেংলক্লদবদা থিল্লবদা খোবাংগা র'না ওাইবাবু বিরহোৎকণ্ঠিতা নায়িকা কৌই। ৪ শ্রীকৃষ্ণনা মালেংলকতরবদা শ্রীকৃষ্ণবা শাক্লনি হৈইহুনা মানম্বাববা, ঐ অরেম্বা শুইরে. শ্রীকৃষ্ণ লেংলকলরোগ হাঈনা রারবীবু বিপ্র-লব্ধা নায়িকা কৌই। ৫। নোংঙাল্লক্লবদা শ্রীকৃষ্ণনা অতো-পপী—নায়িকাগা সান্নরুরবগা থুদম পুহু া লেংলকপা উরগা সাউরবাবু খণ্ডিতা কৌই। ৬। মান তৌহুনা শ্রীকৃষ্ণবু তানথোকখ্রগা তুংদা বা'হৌবীবু কলহান্তরিতা কৌই। ৭। শ্রীকৃষ্ণনা মথুরাদা লেংখ্রবদা রাহৌরবাবু প্রোষিত ভর্তৃকা কৌই। ৮। শ্রীকৃষ্ণগা সুরত লীলা সান্নব লোইরগা ফীরোল অলঙ্কার তৌবীযু হাইরবীবু স্বাধীনভর্তৃকা কৌই।

হাঈখ্রবা নায়িকা মখল ১৫ বু ৮ অমনা পুরিরগা নায়িকা ১২০ সুরে। নায়িকা ১২০ বু উত্তম, মধ্যম; অমসু কনিষ্ঠ,—হাঈবদ অথোইবী. ময়াই অমম্ব অতানবী অসুমনা অহুমনা অমোক পুরিরগা নায়িকা ৩৬০ চহুম হু—মফু সু—ই।

হাঈখ্রবী ব্রজ দেবী সিং অসি কনাগুম্বী সিংনা নিত্য-সিদ্ধানি মাথোই অহুদি—শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপা শক্তিনা ওইবান শ্রীকৃষ্ণদগী তোঙানবা নত্তে।

কনাগুম্বী সিংনা সাধন সিদ্ধানি মাখোই অদুদি ভজন ভৌত্নুনা ব্রজ গোপী ওইনা পোকলবীনি। মাখোই অদুদি— কনাগুম্বা সিংনা মুনিনা পোক্লবনি. মাখোই অদুবু মুনিপূর্ব্বা —মুনিচরী, হান্না মুনি ওইরম্বী কৌই। কনাগুম্বী সিংনা বেদনা ওইবী গোপীসিং য়াওই; মাখোই অদুবু শ্রুতিচরী কৌই, কনাগুম্বী সিংনা লাইগী মপীনা ওইবীনি মাখোই অদুদি দেবী কৌই।

মূলং—অথ স্বভাবাঃ। কাশ্চিৎ প্রখরাঃ শ্যামলাদয়ঃ।
কাশ্চিদ্ মধ্যাঃ শ্রীরাধাপালি প্রভৃতয়ঃ। কাশ্চিদ্ মৃদ্বিতি খ্যাতঃ চন্দ্রাবল্যাদয়ঃ।

হুজিক্তি স্বভাব হাঙৈরি। কনাগুম্বীসিংনা তখেং— তখেং লাওবীনি, মদুদি শ্যামলা ।চিংবীসিংনি কনাগুম্বীসিংনা মরাই ওই, মাদুদি শ্রীরাধা অমসু পালীনাচিংবীনি। কনাগুম্বীসিংনা অমোনবীনি, মাদুদি— চন্দ্রাবলীনাচিংবীনি।

অথ সপক্ষঃ সুহৃৎপক্ষঃ তটস্থপক্ষঃ
বিপক্ষ ইতি ভেদ চতুষ্টয়ংস্যাৎ। তত্রাপি কাশ্চিৎবামাঃ
কাশ্চিৎ দক্ষিণাঃ চ। শ্রীরাধায়াঃ সপক্ষঃ ললিতাদিঃ।
সুহৃৎপক্ষঃ শ্যামলা যূথেশ্বরী। তটস্থপক্ষঃ ভদ্রাদিঃ।
প্রতিপক্ষঃ চন্দ্রাবলী।
অত্র কাশ্চিৎ বামাঃ কাশ্চিদ্ দক্ষিণাঃ স্যুঃ।
শ্রীমতীরাধা বামা; মধ্যা নীলবস্ত্রা রক্তবস্ত্রাচ।

ললিতা প্রখরা, শিখি পিচ্ছবসনা। বিশাখা বামা, মধ্যা, তারাবলবসনা। ইন্দুরেখাবামাপ্রখরা অরুণবস্ত্রা রঙ্গদেবীসুদেব্যৌ বামে প্রখরে রক্তবস্ত্রে চ। সর্ব্বা এব গৌর বর্ণাঃ চম্পকলতা বামা মধ্যা নীলবস্ত্রা। চিত্রা দক্ষিণা মৃদ্বী নীলবসনা। তুঙ্গবিদ্যা দক্ষিণা প্রখরা, শুক্লবস্ত্রা চ। শ্যামলা বামা দাক্ষিণ্যযুক্তা প্রখরা রক্তবস্ত্রা। ভদ্রা দক্ষিণা মৃদ্বী চিত্রবসনা চন্দ্রাবলী দক্ষিণা মৃদ্বী নীলবস্ত্রা। অস্যাঃ সখী পদ্মা দক্ষিণা প্রখরা। শৈব্যা দক্ষিণা মৃদ্বী। সর্ব্বা এব রক্তবস্ত্রাঃ। ৩॥

হৃজিক্কি গোপীসিংবু মথন মরি থোকনা অমোক থাইদোকলি. মহুদি গোপী পুম্নমকপু শ্রীমতী রাধাগী কাংলুপপু সপক্ষ (সমানঃ পক্ষঃ) কৌই; শ্রীরাধাগী চান্নবরু সুহৃৎপক্ষ,— শ্রীরাধাগী চান্নবা নত্তবী, বিপক্ষসু নত্তবী মরক্তা কাংবু অমা মাথোই অত্থবু তটস্থপক্ষ কৌই। মথল অমনা শ্রীরাধাগী এক্ষুযা কাংবু অমা মাত্থবু বিপক্ষ (বিরুদ্ধঃ পক্ষঃ) কৌই।

হাঙৈশুব্য সপক্ষ, সুহৃৎপক্ষ, তটস্থপাক্ষ, অমসু বিপক্ষ মথল মরি অসিদা, বামা অমসু দক্ষিণা অহুম্না মথল অনি মাস্ম লৈ। পুকনিং ফোংদবী, বু বামা, অমসু নিংলিবাবু হক্ষোং ফোংবীবু দক্ষিণা কৌই।

শ্রীরাধাগী সপক্ষনা শ্যামলা কৌবী যুথেশ্বরীনি। তটস্থপাক্ষনা ভদ্রানি। বিপক্ষ = প্রতিপক্ষনা চন্দ্রাবলী -নি। মাখোই অসি কনাগুম্বী। বা মা, কনাগুম্বীনা দক্ষিনা ওই।

শ্রীমতী রাধাদি বামানি. মধ্যানি, নীলবস্ত্র অমস্থু রক্ত বস্ত্র (ফী অসংবগু অংবাস্থু খোল্লি)। ললীতা সখীনা প্রখরা (তখেং ২ ই) শিখিপিঞ্জলসনানি (রাহোং মতু মমিং-কুম্বা ফা শেংলী) বিশাখানা বমান, মধ্যানি তারাবলী বসনানি (হরল মচা ময়াম থোকপাগুম্বা ফী শেংলি)। ইন্দুরেখানা বানা, প্রখরানি, অরুনবস্ত্রা (ফী অঙাংবা শেংলি)। রঙ্গদেবী অমস্থু সুদেবীনা বামানি. প্রখরানি রক্তবস্ত্রনি (অঙাংবা ফী শেংলি)। তাঙ্গখ্রবা পুম্নমক লসি বুচু ঙৌ, চম্পকলতা না বমানি, মধ্যানি, নীলবসনা (ফী অমুবা শেংপীন)। চিত্রা দক্ষিণানি, মৃদ্বী (অমোনবী) নি. নীলবসনা (ফী অমুবা শেংপানি,)। তুঙ্গবিদ্যানা দক্ষিণানি, প্রখরানি, শুক্লা-বস্ত্রা (ফী অঙৌবা শেংপীনি)। শ্যামলানা বামা অমস্থু দক্ষিণা অনিমক য়াল্লে, প্রখর নি, রক্তবস্ত্রা (অঙাংবা ফীশেংলি) ভদ্রনা দক্ষিণানি. মৃদ্বী (মোনবী) নি, চিত্রবসনা (ফী অরাংবা শেংলি)। চন্দ্রাবলীনা দক্ষিণানি, মৃদ্বী (মোনবী) নি, নীল-বসনা (ফী অসংবা) নি। মহাক্কী সখী পদ্মানা প্রখরানি দক্ষিণানি। শব্যানা দক্ষিণানি মৃদ্বা (মোনবী) নি। মাখোই অসিনা কুচু ঙাঙই।

অথ দূতীদ্বিবিধা। স্বয়ংদূতী আপ্তদূতীচ।
তত্র আপ্তদূতীচ ত্রিবিধা। অমিতার্থা নিসৃষ্টার্থা পত্রহারিণীচ
বাক্যং বিনা ইঙ্গিতে নৈব যা দৌত্যং করোতি সা অমিতার্থা
যা আজ্ঞয়া সমস্তং কার্য্যং করোতি ভারং বহতিচ সা নিসৃষ্টার্থা
যা পত্রেণ কার্য্যং করোতি সা ধারয়তিচ সা পত্র হারিণী। তাঃ
শিল্পকারিণী দৈবজ্ঞা লিঙ্গিনী পরিচারিকা ধাত্রেয়ী,
বনদেবী, সখী চেত্যাদয়ঃ। ব্রজে বীরা বৃন্দাবংশীচ কৃষ্ণস্য
দূতীত্রয়ং। প্রগলভবচনা বীরা, বৃন্দাচ প্রিয় বাদিনী,
সর্ব্বকার্য্যসাধিকা বংশী। ৪।

হুজিক্কি দূতী মখল অনিবু হায়রি। স্বয়ং দূতী

অমসু আপ্ত দূতী অসুম্না থোকই। আপ্ত দূতী মখল
অহুম থোকই আপ্ত দূতীদি মখল অহুম থোকই। অ-
মিতার্থা, নিসৃষ্টার্থা অমসু পত্রহারিণী অহুম অসি আপ্ত
দূতী ওাক্কনি. চিন্না হায়দবাসু ইঙ্গিতনা পাওচংপীবু অমিতার্থা
দূতী কৌই। চিন্না থৌদা ফংলগা থবক অপুম্বা থোক্লব।
থবক-তৌবী দূতীবু নিসৃষ্টার্থা দূতী কৌই, চৈঠীপুহুনা
দূতীগী থবক তৌবিবু পত্রহারিনী দূতী কৌই।

দূতীসিং অসি লাইএকপানাচিংবা খুৎসাহৈবী শিল্পকা-
রিনী; জ্যোতিষগী মরোল ওাংবী দৈবজ্ঞা অমা, যোগতৌবী
ফীওাংশেৎপী লিঙ্গিনী অমা সেবা তৌবা পরিচারিকা অমা

মপী স্নোকচবীগী মচা ওইবী থাম্মোয়ী অমা বনদেবী বনগী মন্তবমা অমা, সখী অমা অসিনাচিংবী দূতী মথম মঙ্গাম লৈ।

ব্রজধামদা শ্রীকৃষ্ণগী দূতী অহুমনি, মাহুদি বীরা, বৃন্দা; অমম্বুবংগী অহুম অসিনি। বীরাদি রাঙাংবদা থোকনা ঙাংই, বৃন্দা অমেংবা মুঙাইগদবা রা ঙাংই বংশীনা শ্রীকৃষ্ণগী থবকপুম্বা থোকহনদ।

অথ সখী পঞ্চবিধাঃ। সখী নিত্যসখী প্রাণসখী প্রিয়সখী পরম প্রেষ্ঠাসখী। এষাং মধ্যে—কাচিৎ সম স্নেহা কাচিৎ অসম স্নেহা। যা কৃষ্ণে স্নেহাধিকা সা সখী। বৃন্দা কুন্দলতা বিন্ধ্যা ধনিষ্ঠা কুসুমিকা তথা কামদা নাম্নাত্রেয়ী সখী ভাববিশেষভাক্।

যা রাধিকায়াং স্নেহাধিকা সা নিত্যসখী। নিত্যসখ্যস্তু কস্তুরী মনোজ্ঞা মনিমঞ্জরী সিন্দুরা চন্দনবতী কৌমুদী মদিরাদয়ঃ। তত্রমুখ্যা যা সখী স্নেহাধিকা সা প্রাণসখীউক্তা। জীবিতসখ্যস্তু তুলসী কেলীকন্দলী কাদম্বরী শশীমুখী চন্দ্ররেখা প্রিয়ম্বদা মদোন্মদা মধুমতী বাসন্তী। কলভাষিণী রত্নাবলী মালতী কর্পূরলতিকা দয়ঃ।

এতা বৃন্দাবনেশ্বর্য্যাং প্রায়ঃ সারূপ্যমাপতাঃ। মালতী চন্দ্রলতিকা গুণচূড়া বরাঙ্গদা মাধবী চন্দ্রিকা প্রেমমঞ্জরী তনুমধ্যমা কন্দর্পসুন্দরীত্যাদ্যাঃ কোটি সংখ্যা মৃগীদৃশঃ প্রিয়সখ্যঃ। তত্রা মুখ্যা যা সা পরম প্রেষ্ঠসখী। ললীতা চ বিশাখ্যা চ চিত্রা চম্পক বল্লিকা। রঙ্গদেবী সুদেবী চ তুঙ্গবিদে,ন্দুরেখিকা। যদ্যেপ্যেতাঃ সমস্নেহস্তথাপি—শ্রীরাধায়াং পক্ষপাতং কুর্ব্বন্তি ।৫।

হৃদিস্তি, সখী মখল মতা হাঊরি। <u>সখী</u>, <u>নিত্যসখী</u> <u>প্রাণসখী</u>, <u>প্রিয়সখী</u> <u>পরমশ্রেষ্ঠা সখী</u> মতা অসিনি। মাখোই অসিগী মরক্তা শ্রীরাধা কৃষ্ণ অনিবু চপমাননা হুংসিবা অমত্তু অমাবুনা হেনবা অস্তুমনা অ ন থোকই। শ্রীকৃষ্ণবুনা হেন্না হুংসিবীনাবু <u>সখী কৌই</u>। মাহুদ;—বৃন্দা, কুন্দলতা, বিদ্যা, ধনিষ্ঠা, কুসুমিকা, কামদা, আত্রেয়ী—মাখোই অসি সখী তাক্লনি।

শ্রীরাধাবুনা হেন্না হুংসিবীনা <u>নিত্য সখী কৌই</u>, মাহুদি —কস্তুরী, মনোজ্ঞা, মণিমঞ্জরি, সিন্দুর, চন্দনবতী কৌমুদী অমমত্তু মদিরা অসিনা চিংবা ন। নিত্যসখীগী মরক্তা খোই-দোক হেন্দোকনা ইবেমাবু হুংসিবা প্রাণসখী কৌই, জীবিত সখী কৌই, মাহুদি- তুলসী, কেলীকন্দলী, কাদম্বরী, শশী

মুখী, চন্দ্ররেখা, প্রিয়ম্বদা৷ মদোন্মদা মধুমতী, বাসন্তী, কলভাষিনী, রত্নাবলী মালতী কর্পূরলতিকা অসিনা চিংবীনি, মাখোই অসি প্রাণসখী হায়বদি জীবিতসখী কৌই। মাখোই অসি, শ্রীরাধাদা মান্নবা ওইনা তৌই, মালতী; চন্দ্রলতীকা গুণচূড়া; বরাঙ্গদা; মাধবী; চন্দ্রিকা, প্রেমমঞ্জরী, তনুমধ্যমা, কন্দর্প—সুন্দরী, অসিনা চিংবী কোটি অমা সুবা সঙ্গী অমোমগী মীং মানবীসিংবু প্রিয়সখী কৌই। মাখোই অতুগী মরক্তা লুচিংবীবুনা পরমশ্রেষ্ঠসখী কৌই।

ললীতা, বিশাখা; চিত্রা, চমপকলতা, রঙ্গদেবী, সুদেবী, তুঙ্গবিদ্যা, অমসু ইন্দুরেখীকা মাখোই অসিদি শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনিমক্তা চপনন্নবা মুংসি অতুবু—শ্রীরাধাদা মীচং চংই।

অথ বয়ঃ। বয়ঃ সন্ধিঃ নব্য যৌবনং পূর্ণযৌবন ঞ্চেতি।
কলাবত্যাদয়ঃ বয়ঃ সন্ধৌস্থিতাঃ। ধন্যাদয়ঃ নব্য যৌবনে স্থিতাঃ।
শ্রীরাধাদয়স্তু ব্যক্ত যৌবনে স্থিতাঃ। চন্দ্রাবল্যাদয়ঃ পূর্ণ যৌবনে স্থিতাঃ
পদ্মাদ্যাঃ পূর্ণ যৌবনে স্থিতাঃ। ইত্যালম্বনবিভাবঃ।

হৌজিক বয়স হায়রি। বয়সন্ধি, নব্য যৌবন অমসু পূর্ণ যৌবন মরুয়া অহুম থোকই। কলাবতীনা চিংবিনা বয়ঃ সন্ধিদা লৈ। ধন্যানা চিংবীনা নব্য যৌবনদা লৈ। শ্রীরাধানা চিংবীনা ব্যক্ত যৌবন যৌবন য়ৌসগওইরক্লবা) দা লৈ। চন্দ্রাবলীনা চিংবীনা অমসু পদ্মানা চিংবীনা পূর্ণ যৌবনদা লৈ। মাসিনা আলম্বন বিভাবনি।

অথ উদ্দীপন বিভাবঃ। গুণ নাম তাণ্ডব বেণু বাদ্য গোদোহন বিভূষণ গীত চরণচিহ্নাঙ্গসৌরভ্য নির্মাল্য বর্হ গুঞ্জাবতংস কৃষ্ণ মেঘসন্দর্শনাদি ভেদাদ্ বহুবিধঃ। ৭।

অসিগী মতুংদা উদ্দীপন বিভাব হাঈরি. মাহুদি—গুণ, নাম, তাণ্ডব, বেণু খোংবা, যঙ্গোমসুম্বা লৈতেং, ঈশৈ, চরণচিহ্ন, অঙ্গ গন্ধ, নির্মাল্য, ব্রাহোংমতু, গুঞ্জামালা, নোংগী অমুবা মচু, অমসুং থা উবনচিংব মথক ময়াম লৈ।

অথানু ভাবাঃ। ভাবঃ হাবঃ হেলা শোভা কান্তিঃ দীপ্তির্মাধুর্য্যং, প্রগল্ভতা ঔদার্য্যংধৈর্য্য লীলা বিলাসঃ বিচ্ছিত্তিবিভ্রমঃ কিল কিঞ্চিতং মোট্টায়িতং বিব্বোকং ললিতং বিকৃতমিতি বিংশত্যলঙ্কারাঃ।

তত্র নির্বিকার ত্মকে চিত্তে ভাবঃ প্রথম বিক্রিয়া। ভৌর্য্যগ্ গ্রীবভ্রূ নেত্রাদি বিকাশ কৃচ্যো হারঃ। কুচস্ফুরণপুলকাদিনীবিবাসস্রংসনাদি সু হ্যা হেলা। রূপভোগাদ্যৈরঙ্গবিভূষণং শোভা। শোভৈব যৌবনোদ্রেকে কান্তিঃ। কান্তিরেব দেশক লাদি বিশিষ্টা দীপ্তিঃ। নৃত্যাদি শ্রমরনিতগাত্রৈর্শিথিল্যং মাধুর্য্যম্। সম্ভোগ বৈপরিত্যং প্রগল্ভতা। রোষেহপি নম্রন ব্যঞ্জন মৌদার্য্যম্। দুঃখ সন্তোবনায়ামপি প্রেম্নি স্থিত্যৈর্ধৈর্য্যম্। কান্ত চেষ্টানুকরণং লীলা প্রিয়সঙ্গে সতি মুখাদীনাং তাৎকালিক প্রফুল্লতা বিলাসঃ। অল্পমাত্রকল্পধারণেহপি শোভাবিচ্ছিত্তিঃ। অভিসারাদাবতি সম্ভ্রমাৎ হারমাল্যাদিস্থানবিপর্য্যয়ঃ বিভ্রমঃ। শ্রীরাধাকৃষ্ণয়োর্বত্মরোধনাদৌ গর্ব্বাভিলাসরুদিত স্মিতাসূয়া ভয় ক্রুধা সঙ্করীকরণং কিলকিঞ্চিতম্ কান্তবার্ত্তাশ্রবণে পুলকাদি ভিরভিলাষস্য প্রাকাট্যং মোট্টায়িতং। অধরখণ্ডন স্তনাকর্ষনাদৌ আনন্দেহপি ব্যথাপ্রকট

কুট্টমিতং। বাজিতেঽপি বস্তুনি গর্ব্বেণা নাদরো বিব্বোকঃ। ভ্রূভঙ্গ্যা অদভঙ্গ্যা চ হস্তেন চ ভ্রমন্নিবিশ্রয়েণ দি চেষ্টিতং ললিতম ইতি বিশেষত্যলঙ্কারাঃ। জাতস্যাপ্যজবং প্রশ্নে মৌগ্ধ্যম্। প্রিয়াগ্রে প্রেমভ্রমাদিকংদৃষ্ট্বা চকিতম্। ইত্যিহমধিকং।৮।

অসিগী মতুংদা অনুভাব ময়াম্বু হাঙ্গৈরি,— মাহুদি- ভাব, হাব, হেলা. শোভা, কান্তি, দীপ্তি, মাধুর্য্য, প্রগল্ভতা, ঔদার্য্য, ধৈর্য্য, লীলা. বিলাস, বিচ্ছিত্তি, বিভ্রম, কিলকিঞ্চিত; মোট্টায়িত, কুট্টমিত, বিব্বোক. ললিত অমসু বিকৃত অলঙ্কার কুন অসিবু অনুভাব কৌই।

ভাব,— হাঙ্গৈবদি বিকার লৈহবা চিত্তদা অহানবা ওই-বা বিকারবু ভাব কৌই। হাব,— হাঙ্গৈবদি নায়িকাদা হাব কৌরা অদুনা লৈরবদি ককথেকপা, পিওম থেকপা, মীংকী মওং হোংবা — মাওংশোক্লকপ নাচিংবা মওং তৌরকই, মা-হুয়না তৌরক্লবদি হাব লৈরে. হাঙ্গৈবা খংলে। হেলা,— কু চমওনদা চোংবা, তুহংবা, থবাক কুপপা ফি নান্নথবা অসি তৌরবদি হেলাবু খংনৈ। শোভা, শক নিংথিবা. ফিজেৎ লৈতেংগী নিংথিবা, কুহ কুম্নেন নিংথিব নাচিংবা য়াওরগা হেলাবু শোভা কৌই। কান্তি. - হাঙ্গৈপ্রবা শোভদা অপাম মুংসিবনা হৌরকহনা ও স্থোক্লকলগা কান্তি কৌই। দীপ্তি— কান্তিনা মুকম মতম চানা য়ামললগা দীপ্তি কৌই। মাধুর্য্য,—অ-

গোই শাবনাচিংবনা হকচাংদা চোকথ হুইথরকপাবু মধুর্য্য কৌই। প্রগল্‌ভা— কিদবাবু কৌই, মাতুওইরবদি রতিলীলা দা নায়কনা ভোগদবাবু নায়িকানা ভৌবা ওন্না কৈনবাবু প্রগল্‌ভা কৌই। ঔদার্য্য,— হমেং তমেংবা মতৌবু কৌই, অতুনা সাওরবা মক্তদা মীৎয়েংতনা শাওরে হাঙ্গৈবা কোং-দোকপবু ঔদার্য্য কৌই। ধৈর্য্য,— মুঙাইতবা থোকপা য়ার-বাদামকপু প্রেমদা চেংনা লৈবাবু ধৈর্য্য কৌই। লীলা,— চানবগী মওং মতৌবু তম্বাবু লী। কৌই। বিলাস,— চান বগা তিন্নরবদা মুঙাইবনা মাইনচিংবগী সাংকাইবা মতৌবু বিলাস কৌই।

বিচ্ছিত্তি,— হকচাংদা লৈতেং খজিক্তংদা তৌবদা ফজবনা হেনবাবু বিচ্ছিত্তি কৌই। বিভ্রম,— নুংশিবগা উনগদৌবা অভিসারনাচিংবা তৌবদা লীক, খুজি, ইনফি লৈপারংনাচিং বাবু মফম ওন্না কৈননা লৈতেংবাবু বিভ্রম কৌই। কিল-কিঞ্চিত,— শ্রীরাধা কৃষ্ণ অনিগী কম্লেল হৎপানা চিংবদা হৈবেমা-না নাপন তৌবা পুকনিংনাদি পাম্বা, কপপা মোমোন নোকপা, সাওবা মুংশৎবা পুন্নমক সনা হরাওবগা য়ানসিন বাবু কিংকিঞ্চিত কৌই। মোট্টায়িত, চানথোইবাগী পাও তার পা তুচুংবনাচিংবন অপাম্বা লৈবাবু কোংদোকপবু মোট্টায়িত কৌই। কুট্টমিত,— চোন্বান চিকপা, স্তনবু চিংবা অসিনা চিংবদা নাম্বা কোংদোকপবু কুট্টমিত কৌই। অপাম্বা পোক্বা

নাপন তৌহ্নবা থৌওইদবাবু বিব্বোক কৌই। ললিত,— পীতক থেকতুনা থুং হাঙইহনাস্থ থোইমুবু থাম্বা তানথোকপা নাচিং-বা তৌববু ললিত কৌই। বিকৃত,— হকাইবনাচিংবনা ম-হাকনা তৌগদবা থৰকতি হাঙদোক্কবা অহ্নগা মওং মতৌ নাদি থবক অহ্ন থৌগদৌরে ফাংদোকপবু বিকৃত কৌই হাঙইগ্রবা কুন অসি লৈজেং কুননি। থংলবা মকুদা থংসিন-নদবা ওইনা হংবাবু মৌগ্ধ্য কৌই, অমস্থ চান্নথোইবাগী ম-মংদা থোইমু উবনা চিংবদা কিহ্না তথক তথকনা এংবাবু চকিত কৌই, অনি অসিমা কুন্দগী হেনদোকই, অহ্না সাত্বিকাগী লৈতেং কুর্নানিথোইনি।

অথাণ্যে—অনুভাবাঃ। নীব্যুত্তরীয়বম্মিল্য স্রংসনং গাত্রমোটনং। জুম্ভাণস্য ফুল্লত্বং নিশ্বাসাদ্যাশ্চ তে মতাঃ। ৯

অসিগী মতুংদা অতোপ্পা অনুভাব সিংম্থ হাঙইরি— থাখুম, ইনফ, শমজী-নানথোকপা, হকচাংবু তিঙদী য়াং-দীবা, হাকাম চনবা, নাতোন ফনদোকপা অমস্থ মুংসা মপী হোনবা অসিনা চিংবস্থ থংনগনি।

অথ সাত্বিকাঃ। স্বেদ স্তম্ভাদয়োহত্রধূমায়িত জ্বলিত দীপ্ত উদ্দীপ্ত সুদ্দীপ্তা।

অসিগী মতুংদা সাত্বিক ভাব হাঙইরি। বিস্দুদা হাঙইথ্রবা স্বেদ; স্তম্ভনাচিংমা নিপান, অমস্থ ধূমায়িত, জ্বলিত দীপ্ত; উদ্দীপ্ত অমস্থ সুদ্দীপ্ত মতা অসিগা সুপনা তম্না লমদোইনি।

অথ ব্যভিচারিণঃ (নিবর্ব্বেদ বিষাদদয়্যো ভাবাঃ।

অসিগী মতুংদা ব্যভিচরি ভাব হাঔরি। মাহুদি— বিন্দুদা হাঔখিবা নির্ব্বেদ; বিষাদনা চিংবাবু ব্যভিচার ভাব কৌই।

অত্র ভাবোৎপত্তিঃ ভাবসন্ধিঃ ভাবশাবল্যঃ ভাবশান্তি র্ইতি দশা চতুষ্টয় । ভাবোৎপত্তিঃ স্পষ্টার্থা । ভাবদ্বয়সংমিলনং ভাবসন্ধিঃ পূর্ব্বপূর্ব্বভাবস্য যঃ পরপরভাবেন উপমর্দ্দঃ সএব ভাবশাবল্যং । ভাবশান্তিঃ ভাবস্যান্তর্দ্ধানমেব।

ভাবসিং অতুদা ভাবোৎপত্তি ভাবসন্ধি; ভাবশাবল্য অমসু ভাব শান্তি অশুম্না ভাবদশা মথল মরি থোকই; মাহুদি— ভাবকী থোরকপবু ভাবোৎপত্তি; ভাব অমগা অমগা সন্নবাবু ভাব সন্ধি; ভাব অমগা অমগা য়ানসিন্নববু ভাব শাবল্য অমসু ভাব হঙখিবাবু ভাবশান্তি কৌই।

অথ স্থায়ী, ভাবঃ

মধুরা রতিঃ। সাচ ত্রিবিধা, সাধারণী সমঞ্জসা সমর্থা ইতি। কুব্জায়াং সাধারণী সাধারণমণিবৎ। পট্টমহিষীষু সমঞ্জসা চিন্তামণিবৎ। ব্রজদেবীষু সমর্থা কৌস্তুভমণিবৎ।

সামান্য ভাবেন স্বসুখ তাৎপর্য্যরতিঃ সাধারণী। কৃষ্ণস্য নিজস্য চ সুখ তাৎপর্য্যরতিঃ পত্নীভাবময়ী সমঞ্জসা কেবল কৃষ্ণ সুখ তাৎপর্য্য রতিঃপরাঙ্গনাময়ী সমর্থা। ১৩॥

আসিগী মতুংদা স্থায়ীভাব হাঔরি। মধুরা রতি মহাক্তি

সাধারণী; সমঞ্জসা অমসু সমর্থা অসুমনা মথল অহুম থোকই কুব্জাদা সাধারণা রাতনি; মহাক্তি চুম্নাগী মণিনা শীক্রীদগী হে বাওম্না চুম্নাগী মুপীদগী হেল্লি। দ্বারকাগী রুক্মিণীনা চিংবী ইবেমাসিংদা সমঞ্জসা রতি লৈ, মাহুদি চিন্তামনি, হাঙৈবদি নিংশিবা মথৈ থোকহনবা মাগা সমনরগা ফদসু স্না ওনবা মাণনা মণি অতৈদগী হেনবা ওম্না লক্ষ্মীনা চিংবদগী ইবেমাসিংদা লৈবা রতিনা হেল্লি।

ব্রজ দেবীসিংদা লৈবা রতিনা সমর্থা রতিনি, মহাক্তি শ্রীকৃষ্ণনা থবাক্তা খোনবা কৌস্তুভ মণিগুম্বনি।

হাঙৈখ্রবা রতি অহুমবু অমোক হম্না হাঙৈরবদি,- সাধারণী হু ঈবদি ইথ্বাইদাসু ওইবা ইমান মাম্নবাবু কৌই, মাহুদি — মহাক্তী সুঙাইবগী দমকতা শ্রীকৃষ্ণবু পাম্বাবু সাধারণী রতি কৌই। ম্নাহু কুব্জাদা ওই। শ্রীকৃষ্ণগী মহাক্তীসু সুঙাইনবা শ্রীকৃষ্ণবু পাম্নাবু সমঞ্জসা রতি কৌই, মাহুদি দ্বারকাগী মহারাণী ইবেমাসিংদা লৈ। মুপনগী শ্রীকৃষ্ণগী সুঙাইবতা শ্রীকৃষ্ণবু পাম্বা মথোৎইগীদি ফনবা সুঙাইনবা থন্দাবব সমর্থা রতি কৌই; মাহুদি ব্রজগোপীতদা ওই।

অথ সমর্থা প্রথমদশায়াং স্বতোবীজবৎ, প্রেমা ইক্ষুবৎ স্নেহোরসবৎ, ততে মানং গুড়াৎ তত; প্রণয়ঃ খণ্ডবৎ, ততঃ রাগঃ শর্করাবৎ; ততঃ অনুরাগঃ সিতাবৎ, ততঃ মহাভাবঃ সিতোপলবৎ।

অসিগী মতুংদা মধুরা রতি অথোইবী সমর্থারতিগী হেন-

গৎলকপাবু চুদা চাংদমনাহুনা হাঙৈরি, মাহুদি— শ্রীকৃষ্ণদা ব্রজগোপী সিংনা সমর্থা কৌবা রতিনা অহানবদগী না লৈরকপাবু চুদা মমিত্তা ময়োন চোংথৎলকপা ওমই, রতিনা হেনগৎলগা প্রেম ওই, মাহুনা পানবী ওইরবা চু ওমই। প্রেমনা স্নেহ ওই, মাহুনা চুহি ওমই, স্নেহনা হেনগৎলগা মান ওই, মাহুনা চিনি অডাংবা ওমই, মাননা হেনগৎলগা প্রণয় ওই, মাহুনা চিনি অঙাংবগী চিনি অকেংবগী শরুক মতুম ওমই। প্রণয়না হেনগৎলগা রাগ ওই মাহুনা চিনি অঙৌব ওমই।

রাগনা হেনগৎলগা অনুরাগ ওই, মাহুনা সিতামিশ্রি ওমই, অনুরাগনা হেনগৎলগা মহাভাব ওই; মহাক্তি সিতোপল (সিতামিশ্রিনা শেমলগা থোকপা চিনি) ওমই।

অথ প্রেমা।

তত্র পূর্ব্বসংস্কারতো বা শ্রবণদর্শনাদিভ্যো বা কৃষ্ণে প্রীত্যা মনোলগ্নতা রতিঃ। বিঘ্নসত্ত্বেহপি হ্রাসাভাবঃ প্রেমা— চিত্তস্য দ্রব ভাবনিদানং স্নেহঃ। তত্র চন্দ্রাবল্যাদৌ তদীয়তা ভাবেন ঘৃত। স্নেহশ্চ আদরময়ো ভাবান্তরমিশ্রিতএবস্বরসো যথা ঘৃতম্। শ্রীরাধাদৌ মদীয়তা ভাবেন মধুস্নেহ আদরশূন্যঃ স্বত এব স্বরসো যথা মধু।

অসিগী মতুংদা প্রেমবু হাঙৈরি। মথক্তা হাঙৈথরে, রতি, মানা প্রেমঃ মানা স্নেহ ওই। রতি হাঙৈবদি শ্রীকৃষ্ণ

বু পুক্লিংনা পামহুনা থাদোকপা ওমদবাবু কৌই। মাহুদি মীওইবনা শ্রীকৃষ্ণবু পান্বা রতি কৌই, মাহুবু পান্নমদগা অকাউবা নাইরিবাবুদি শাস্ত্রনা রতি কৌদে। রতিবু ফং- বদি মী অহুবু নহাল অমোক্কী মপোক্তা সাধু মহাত্মানা এংবিথ্রবা, নত্রগা হন্দক্কী মপেক্তো ওইরবম্ব সাধুগা উন- ক্লরবদা শ্রীকৃষ্ণবু পান্বা পুক্লিংদা নপ্ত্রনা লৈ। মী ওইনা পোকপদা মাবু সাধুনা এংবিদরিবা মখৈ মপোক কোটি কোটি পোক্তনাস্থু শ্রীকৃষ্ণরতিবু ফংবা ংৌনদে।

কনাগুম্বা সিংনা পূর্ব্বজন্মদা মাবু সাধুনা এংবিথ্রবা মীনা পোক্লকপদগীনা শ্রীকৃষ্ণবু পান্বা রতিগা লোইনহুনা পোক্লকই, কনাগুম্বা মপোক অসিদা সাধুনা এংবিবা ফংলবদি, মাহু ফংবগা শ্রবণ — তাবা, শ্রীমুর্তিবু উবা অসিদগী শ্রীকৃষ্ণবু পান্বা রতি পোকই। মাস্থুম্বা শ্রীকৃ- ষ্ণবু পান্বা রতি ওইরবদা মাহু থুগাইবা য়ামনা চংলকই, অহুওম্বা য়ৈথাইবা থোক্লবদা মানা শ্রীকৃষ্ণবু পাবহু ময়েং তাদবা, হেনগৎলক্লবদি রতি পান্বা অহুবু প্রেম কৌই। প্রেমনা হেনগৎলক্লগা স্নেহ ওই; স্নেহ ওইরবা মতমদা মী অহুগী পুক্লিংনা ইথোং থোংলি। হাঙৈরিবাসি মীর- স্বেনদ্মা পান্দুনা হাঙৈরবদি, রতিবু মশক থংবদা উপায় থরা ওইবা য়াই, মাহুদি — মীওইবনা মচা পোকনিংই, মাহু মচাদা লৈবা রতিনি; মচা পোকলে, অহু ওইরবদি মানা পোকনিংলম্বা অহু মহৈ ফংলবনিনা মচা পে ক্লিংবা

অদুদি কেʼকম্রে মচাবু মুংʼশবদি হেক্তনলক্কই মথং মথং মচাবু পাম্বা, চানবা মুংশবা ওঈরকই, মাহুদি মচা উমগা মপুক্কিং হৈপেং পেংথৈ, মতম অহুদা ওইহৌরবা মপা মমাগী পুর্বনিং অহুদা মুংসিবা পোকই. মাহুবু মচাবু মুংসিবা, পুত্র স্নেহ কৌই। মাস্থুম তৌহুনা মচাবু পাম্বা, চানবা; অছুম অসিনা মথং মথং ওইবাগুম্না শ্রীকৃষ্ণবু পাম্বা রতি; চানবা প্রেম, অমস্থ মুংসিবা স্নেহ—অছুম অসিনা সাধু-সঙ্গ ফংলবা ভক্তদা মথং মথং ওই।

অমস্থ মুংসিবা—স্নেহ হাঙ্গৈবাসি মথল য়ামই. মাহুগী মংমুদা গ্রন্থাকারনা মতাং অসিদা মথল অনিদং উৎলে।
মাহুদি—১ মুংসিবাবু ঐঅসি মাগীনি; হাঙ্গৈনা মুংসিবা অমনি।
২। মথল অমনা মুংসিবাবু ঐগীনি হাঙ্গৈনা মুংসিবা অমনি, মাহুদি ঐদি ঐনা মুংসিবা শ্রীকৃষ্ণগীনি হাঙ্গৈনা শ্রীকৃষ্ণবু মুংসিবা, অদুগুম্বা মহুংসিববু ঘীগুম্না থোংলি হাঙ্গৈহুনা ঘৃত স্নেহ কৌই। মাহুদি শ্রীচন্দ্রাবলিনা শ্রীকৃষ্ণবু মুংসিববু ঘৃত স্নেহ কৌই। মাস্থমনা মুংসিবীনা মাগী মুংসিবাবু আদর- চেৎনা চম্না লুনা তৌই, লুনা তৌরবদি শ্রীকৃষ্ণনা সাওথিনি, নত্রগা শ্রীকৃষ্ণনা হংঙাইরোই, হাঙ্গৈহুনা ঐদি ইবুঙো মহক্কী মণাইনি হাঙ্গৈহুনা মবুঙোবু লুনা তৌই অমুর্ববী ইবেমাগী প্রেম অসিনা ভাব অতৈণা তিররগা য়ামনা নিংথি মাহুদি চিঙ্গাক চানবা পোং অপুমবদা ঘী থাকলগা হাওবা, ঘীন পোৎকা য়াননরগা হাওবা হেনগৎপা অদুগুম্বই, অহুনা ইবেমা চন্দ্রাবলীমা চিংবী সিংগী শ্রীকৃষ্ণদা লৈবা মুংসিবা মহুংসিবু ঘৃত স্নেহ কৌই, মাহু লৈবা ইবেমা সিংবু ঘৃত স্নেহবতী কৌই। মাস্থম তৌহুনা পরম মহানুভাব শ্রীরূপগোস্বামীনা মনো বিজ্ঞান ওইনা ব্যাখ্যা তৌই।

শ্রীকৃষ্ণবু ঐগীনি, হাঙৈনা নুংসিবাব মধুশ্নেহ খোহিগুম্বা কৌই। খোহিনা মশা অপুম্বা অহাওবা মক্তা ওইবা অমসু অমগা য়াম্নাদবাস্ত মশাগী মগৈশানা অহাওবা ওই অদুগা মাবু মৈদা, লোম্নগা চুহিদগুম্না চিনী চিনিঅঙৌবা সিতা মিশ্রি ওম্নকপাগুম্না মাদি ওনদবা অদুমক মাগী মহাও খোহিনা ইহোং হোংদবা অদুগুম্না মধুস্নেহনা ভাব অতৈগা য়াম্নদ্রবাসু মথন্তানানিংথিজৈ। মাদুদি শ্রীমতীরাধিকানা শ্রী কৃষ্ণবু নুংসিবদি শ্রীকৃষ্ণবু ঐগীনি হাঙৈনা নুংসি, অদুনা ইবেমাগী প্রেমবু মধুশ্নেহ, ইবেমাবুনা মধুস্নেহবতী কৌই। অদুনা শ্রীমতীনা শ্রীকৃষ্ণবু ঐগীনি, নিংবা মরম্না আদর তৌদ, থুদমগীদমক রাসদা শ্রীকৃষ্ণনা অন্তর্দ্ধান ওইরুরগা হম্নকপদা "থাচিক্তূনা মীংনা তেন ওইদুনা শ্রীকৃষ্ণবু থারু-রসনু হাঙৈনা এংই অম্নম্না শ্রীভাগবতনা শ্রীরাধাব হাঙৈ। মাসুম তৌদুনা চন্দ্রাবলীনা ঐদি শ্রীকৃষ্ণগীনি হাঙৈনা নিং-বনা ইবেমাবু ঘৃতস্নেহবতীনি, শ্রীমতীরাধিকানা শ্রীকৃষ্ণদি ঐগীনি হাঙৈনা নিংবনা মধুস্নেহবতীনি, ইবেমা অনিগী খেন্ন-বদি মাসিনি।

কিরণ গ্রন্থকারনা মানবু ব্যাখ্যা তৌই, মাদুদি, "ফৈ কস্তে, হাঙৈবনা মরম ওইদুনা ওইরবসু সাওদুনা ওইরবসু অমসু মরম লৈতনা ওইরবসু পূকনিংগী লৌথুপ তৌবাগী মতৌব মান কৌই।" অসিনি। চন্দ্রাবলীনাচিংবীদা ওইবা দানদি দাক্ষিন্যোদাত্তনি, করিগুম্বদানা বাম্যোদাত্ত ওই।

শ্রীরাধানাচিংবাদদি মাননা ললিত ওই।

মাসিগী সন্দোকপা ব্যাখ্যাবু; খুদম উত্তনা হায়রি, মানগী খুদম "শ্রীকৃষ্ণগা লোয়নহুনা বনদা সান্নারিবী শ্রীরাধানা হায়, - হেগোপ অকনবা! নহাক্কী মনগী মখোংগী উফুলন ঐগী মীৎ অনিমক্তা পীতাবগী অমং অখম লৈতরে অহুগা চীন্না কামথোকপীবনা কৈকানানি, অসি হায়হুনা ইবেমানা পীগুম থেক্তুনা লৈ"—তাৎপার্য্য শ্রীকৃষ্ণগা লোইননা সান্নমিন্নবদা শ্রীকৃষ্ণবু মুংসিবনা হাকমন্দুনা ইবেমাগী থমোই পেৎথরকলে, মুংসিবদগী তারকপা পীনা মুক্তা পরেং তত্তুনা তারকপাগুন্না মীৎতা তৈরিবা কাজল চামথোক্তু সিনথরকই, মাহুবু ইবেমনা ইবুঙোদা খংদনবা হায়হুনা. হায় নংগী মণ ময়াম চৎপাগী উফুলনা মীৎতা চংহুনা পীতারে হায়. শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমাগী মীৎতা চীন্না কামথোক্কে হায়হুনা শোকই, ইবেমাদা ওইরম্বা প্রেমনা হান্নদগী অমোক হেনগৎতুনা পী সিম্ববা তুচুংবা, কুহোংবানা চিংবা হেঞ্জনলক্লগা. ইবেমানা হায়, নংনা চীনা কান্নগা কৈদোননি (অর্থাৎ মাহুদি পী তাবা হেল্লে) হায়হুনা পীগুম থেক্তুনা লৈথোক্তনা লৈ, মাসিনি মান তৌবগী অর্থদি। মাসিদা শ্রীরাধাদি মধু স্নেহবতীনি, অহুনা শ্রীরাধাগী মানদি "ললিত" কৌই। ললিত হায়বগী অর্থদি

উদাত্তনি, মরক্তা কৌটিল্য থরা য়'ওই।

খুদম শ্রীকৃষ্ণনা কুন্দাবল্লীদা হাঙ্গ—"ঐনা কাউহুনা রন অথুম্না পল্লবদা চন্দ্রবলীনা থমোই কাইবা মথৈ বাই অদুদা ঐনা সোইরুবগী ইফিং ফিংববু কোকুবা চন্দ্রাবলীনা হান্নদগী হেন্না মোমোন নোকই, অদুগা অমেংবা রাহৈনা ফজনা ওংহুনা নিংথিজবব হেনগৎহনলি। মাসিদা রাধা নাম তারগা চন্দ্রাবলীগী পুক্লিংদা রাবা অদুগা মান ওবা অনিমক লোত্তুনা নোক্তুনা খংহনবনি, মাসুম্না মান তৌবা অসিনা মাননা চন্দ্রাবলীনা স্বাধান ওদে, দাক্ষিণ্য উদাত্ত ওই, মাসুমনা ইবেমসিংগী প্রেমগী তোঙান তোঙানবা অসি খংনগনি।

পুবদা রুক্মিণীনাচিংবীদা ওই। প্রণয় মথন অনিসিবু শ্রীরূপপাদনা ব্যাখ্যা তৌই. মাদুদি পুকচেননাচিংবা তিন্নবনা মানা সুঙাইখিরোয়দরা? হাঙ্গনা নুংশাথিবা লৈতবা প্রণয় অদুনা মরম ওইদুনা মাগী খুদুমদা অননা লৈববদি সথ্য প্রণয় কৌই।

মাদুদি; রাসগী অন্তর্দ্ধানদা শ্রীকৃষ্ণগা লোইনাদুনা লেংমন্নরিবী শ্রীমতীরাধানা শ্রীকৃষ্ণদা হাঙ্গ "ঐচৎপা ঙমদরে. নংনা চৎনংবা মফমদা ঐবু পু (পোবি)" অসিনি। (নপারয়েহং চলিতুং নয় মাংযত্রতেমনঃ) ইবেমাগী রাহৈ অসি রসিকসিংগী (মনোবিজ্ঞান হৈবাসিংগী মরিদাদি মমন য়ামথবা রাহৈনি। মহর্ষি ভগবান্ কৃষ্ণদ্বৈপায়ন বেদ ব্যাসনা শ্রী ভাগবততা ইবেমাগী মমন য়ামথবা রাহৈ অসিবু হাঙ্গগদবাগী মমক সুপনগী রাহৈ—পদ অমনা ভূমিকা তৌই, মাদুদি "দৃপ্তা,,—নাপন তৌবী,—হাঙ্গবদি মানবতী অসিনি।

গোপী অপুম্বাবু হুঞ্জেক্তুনা মাতবু শ্রীকৃষ্ণনা পুন্থনা চৎমিন্নরিবীনা নাপন তৌহনা (দৃপ্তা) শ্রীকৃষ্ণদা হাঙী অসিন। (দৃপ্তা) নাপন তৌবী হাঙীবদি মান তৌবা হাঙীবনি, মাদু-দি গোপী অপুম্বাবু হুঞ্জেক্তুনা ইবেমাতবু পূবদা ইবেমানা নিংই ঐদি ওন-থাকনা লাইপক ফবী ওইরে, ময়াম্বু হু-ঞ্জেক্তনা ঐতবু পূবাসিদা ঐডোন্দা শ্রীকৃষ্ণনা নিংবাসি ওনথাকনা ঐবু হেন্না নিংবোইরে। হাঙীবা খংলে, অদু ওইরবদি শ্রীকৃষ্ণবু নমদুনা ঐগী খুদুমদা থম্নগে হাঙীদুনা "ঐ চৎপা ঙমদরে, পোতুনা নংনা চৎনিংবদা পু, নত্রবদি চৎলরোই, অম্মন্না হাঙীবসি অচম্বা নুপীগী পুকচেলন' মরাবু লাকথুগে তৌবা পূগচে-গী রাহে অদু নত্তে, খংদবা মীদা মাদু মান্না তাবনি। শ্রীকৃষ্ণগা লোইনদুনা সেংমন্নরিবী ইবেমনা নুঙাইবা অদু মাসুপ য়ান্না নুঙাই হাঙীবা চিন্না হাঙীবা ঙম্বা নত্তে, যোগীসিংনা ব্রহ্মবু ফংলগা ওইবা নুঙাইবদগী কোটি কোটি হেনবা নুঙাঙীবনি. অদুপ নুঙা-ইবা অদুবু ইবেমানা ফংলগা ইবেমনা ঐ নুঙাইরে হাঙীবা খংদে; মরমদি গোপী প্রেমদি—সমর্থারতিনি, শ্রীকৃষ্ণদগী ওইবা নুঙাইবাবু ইবেমাসিংনা পৌদবা ঙমই, অদুনা গোপী সিংবু সমর্থারতি তৌবাঙম্বা রতি লৈবী কৌই।

মাসিনা রুক্মিণীন চিংবী পুরনায়িকাদগী গোপীনা হেল্লি। পুরনয়িকাদি মদু লৌদবা মতম পুম্নমক্তা ঙমদে, করিংগুম্বদা শ্রীকৃষ্ণদগী ওইরকপা নুঙাইবাবু পুরগী ইবেমাসিংনা খংই অদুনা পুরনায়িকাসিংবু সমঞ্জসারতি কৌই।

শ্রীমতীরাধানা শ্রীকৃষ্ণগা লেংমন্নৈ শ্রীকৃষ্ণদগী ওহয়কপা মুগুাইবাবু ইবেমানা খংদে, ইবেমানা খংই, ঐগা লোইনবগী শ্রীকৃষ্ণনা পেল্লি গোপী অতৈবুদি হুংগুক্তুনা ঐগা লোইনৈ, ঐনা লাইপক ফবা হেল্লি; অসি নিংহুনা মুখিংচুম্না শ্রীকৃষ্ণ গী পেম্নবগীদমক্তা হাঙ্গহুনা থোগন তৌবী ইবেমানা তিংখং মরক্তা অহিংদা সা; কৈ মরক বনদা শ্রীকৃষ্ণগী ভুং ইন্দুনা লৈংলকই। মাতুদা মহাভাবময়ী রাধানা ইবেমদা ওইরিবা প্রেমগী ঈশ্বকনা যৈবদা চৎপা, বাঙাংবা ঙমলক্তরে, কুচু হোংবা কপ্পুনা পী সিন্নরকপানাচিংবা প্রেমগী অষ্টসাত্বিক ওইবানা শ্রীকৃষ্ণগী থোগন ইনবাগীদমক ইবেম'গী শ্রীঅঙ্গবু লেংবা ঙমদরে; অতুবু ইবেমাদি মধুস্নেহবতী ওইবনা অতিং ঙবা বা হাঙ্গদে হাঙ্গবাদি "ঐদি প্রেমগী আনন্দনা খোং থাংবা ঙমদরে; অসুম্না চান্নবা বা হাঙ্গদো বাম্য ওইনা নংমা কৌইনা পুহুনা চৎপামক্তনা রারে "নপারয়েহং চালিতুং"—চৎপাঙমদরে হাঙ্গ। মাতুদি নায়কতা নায়িকানা চৎপা ঙমদরে হাঙ্গবদি শয্যাদা চংলসি হাঙ্গবনি, অতুগা ইবেমাগা ইবুঙোগা আনগী পুর্ণাং হকচাং ইন্দ্রিয় অপুম্বা অমত্তা ওইনা ভিন্নখিবনা মাস্নপকী সত্তিক চেৎনা তেন্নরে ঐনা মাগী চান্নবীনি মামা ঐগী চান্নবনি হাঙ্গবা তোঙানংনা খনবা কাওখি. মাসিবু কাবনা শকই "মানা ঐগী চান্নবা নত্তে ঐনা মাগী চান্নব নত্তে, অনিগী প্রেম্না পুলপ তিন সিনখরে" ইবেমানা ঐনা মাসি হাঙ্গরগা নুঙাইরোই হাঙ্গবা করি অমত্তা লৈতে, শ্রীকৃষ্ণনানু মাহু

ভারত্নুনা মুঙাইতবা কাংরস্নু লৈতে । ইবেমা ইবুঙো অনিগী দি সখ্য স্নেহ্ননা স্বাধীনভর্ত্তৃকানি ইবেমানা ইবুঙোবু ওমহে, অহ্ননা ইবেমানা ঐংগ পোত্নুনা পু হাঙী । মাহ্ন তারগা রসিকশেখর কৃষ্ণনা থুমই, ঐগী লেংবানদা তোংউ, (স্কন্দ মারুহ্যতাং) স্নুপুরুষগী প্রেমগী রীতীদি মাস্নুন্না তোই। অহ্নদগী শ্রীকৃষ্ণনা অন্তর্দ্ধান ওইখি (ইবেমাবু ছপ্রেকনুনা লোংখরে) মুংসিবনা মুংসিবীবু চান্ননা মুংসিনবগী খুদমদি অসিনি ।

ইবেমানা ঐ চৎপা ওমদরে, হাঙীবা অচূম্বনি, মরমদি ইবেমানা ঈবুঙোগা লোইনরগা মুঙাইবা অহ্ন হাঙীনিংঙাই লৈতে অহ্নবু ইবেমানা জৌদ্রবাস্নু প্রেমানন্দগী ভাব রানথবা, নীকপনাচিংবা অহ্নদি তৌদবা য়াবা নত্তে, মরম অহ্ননা খোংথাংবা ওমুক্তত্নুনা বামস্বাভাব ওইবীনিনা ইবেমানা হাঙী, ঐ মুঙাইমন্দুনা চৎপা ওমদরে, কি হাঙীদ. কোইনা চৎম স্নুনা রাবনা চৎপা ওমদরে, পোবীয়, অসিনি; মাহ্নবু অতোপপনা হাঙীরবদি শ্রীকৃষ্ণনা সাওগদবনি, শ্রীকৃষ্ণনাদি সাউদে; ইবেমাগী রা অহ্ন তারগা ইবুঙোনা য়ামনা পেল্লি, কবিনা শকই, 'মুংসিবদি ইমুংতা মুংস" সিঙদগী থোকপা মৈথুতবু মুংসিদব'ন আগরুদগী থোকপা মৈথুনা মুংসি. মুংসি- বীগী মাইখোংদগী থোরকপা বাহৈদি ইমু.তা মুংসি, মরমদি মুংসিবা মুংসিবীগী পুক্লিং হকচাং, ইন্দ্রিয় অপুম্বা অমত্তা ওইগ্র-

বনি, (মরম অসিনা শ্রুতিনা হাঙ্গ" মমচিক্ত মন্নুচিক্তংক্তে অস্তু) । ইবেমানা ইবুংঙাগী মুঙাইগদবতা খল্লুনা ঙাংবনি ইবেমাদি ইবুঙোগী করিনা মুঙাইগদগেতো খল্লুনা, মাহুতা ঙাংই; চৎলি, এংই. হুমিৎ চুপপা ইবুংঙাবু মুঙাইহল্লুনা ইবুঙোবু লাৎ'ল, হাঙ্গীহুনা ইবেমাগী মিং রাধা কৌই । মৈতৈরোন্দা সংস্কৃত ভাষাদাসু "রাধ্" ধাতুগী অর্থদি পেন্নবা তৌবা হাঙ্গবনি, মাহুদি—লাইরাধ্ (দ্ = ধ্ =) পা অমনি মৈতৈরোন্দা ব্রাহ্মণী মথক্তা লৈবা রনা লওই, অহুনা রাধা =লাৎপা, হাঙ্গবনি. অনয়ারাধি তোনুনং অসুম্না শ্রীভাগতনা ঙাকই

ইবেমানা পোৎমু ঐ চংপা ঙমদরে, হাঙ্গজরগা ইবু-ঙোনা ইবেম্নবু অহিংদা. সুকখ্রবা উরক্তা, শাকৈ. লীন্না থল্লবা মফমদা অমমবা উন্নুংদা পুবামখৈ পুবিরক্লগা লৈদগী হেন্না থোৎপী অহিংদা নেংথাং কুপ্লদা কিহুনা লৈবা ঙমদবী নুপীবু নুংসিৎবনি হাঙ্গীহুনা হুপ্রেক্তনা লোম্না চেনখিবা অসিবু ইবুঙোনা ইবেমাবু নুংসিবগী থুদমলা? অহুঙৈ ত্রেতা যুগতসু মনুংদা জীবা চংলবী ইবেমা সীতাবু, মতম সুরহুনা গর্ভগী বেদনা লাক্লবা মতমদা ইবেমাগা পোইননা সান্নবা য়ারমোই হাঙ্গবগী মতাগুম্না মীচীক মীরাওথোন তাদবা সুক্লবা বন মনুংদা শাকৈ মরক্তা তুমহন্লগা হুপ্রেকপা ঙম্বনি, অসিরা? নুংসিবীবু নুংসিবনা নুংসবা মাসিনি, ভারতীয়

সাহিত্যনা পৃথিবীগী সাহিত্যদগী হেনবা, ব্যাস বাল্মীকিগী অহিং মীদা ওইদবা ভারতীর সাহিত্যগী গৌরী শঙ্কর—হি 'মাউন্টেন এভারেষ্টনি ।

"মহাভাব' ময়ী শ্রীরাধানা ইবুঙোগা হেক কাইনবগা ৱাবদি মৈদা লোল্লিবা অচাকপা থাওদা হুনথরগা চাকপবু হন্না চাকই;—

কাইনা মৈচাকনা মাহুন্না চাকলগা ইবেমানা ইবেম্মাগী থমোইদা লৈবা পামুবানা সাথিগনি 'নিংহুনা 'মাহুগী দমক্তা থম্বাল লকাদা ঈশিং হাপ্লগা থোমই, থম্বৌবু চন্দন ওইনা ভক্লগা থজিন্দা থোমই, থম্নানা থম্বাননা হুমাই ওইনা থজিন্দা হুমই, মাহু অতৈগী নত্তে, থজিন মনুংদা থমোই মনুংদা লৈবা শ্রীকৃষ্ণবু কাইনা মৈচাকনা ইবেমাগী হকচাং চাকপদা শ্রীকৃষ্ণদা মৈশানা শোক্তনবা হিগা য়ৈবনি ইবেমগী হকচাংগী মৈচাক কোক্রবা হিদাক ভৌবা নত্তে, রস শাস্ত্রনা হাঙ্গ, মুংসি মৈচাক্কী অসাবদি থম্বাননা হিগা য়ৈরগা খাংবা য়াই । খৃষ্টগী মমাংদগীনা ভারতকী লৱাইদা শকনরকপা খুল্লও ইশৈদা শক্লরমই, মাহু দ—

কৈঋব রহিঅং পেম্মং নছুচি টঠৈ ম.ণবে লোএ ।
জই হই বিরহে হেতম্মি ক ঙী অ ই="

চান্ননা চান্নবা পেম - ভাইবংদা লৈতেএ ।
চান্ননা লৈয়রবদি কাইনা মৈচাঙা কনানা হিংই ॥"

শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেম, শ্রীসীতা: রামগী প্রেম চান্নবা প্রেমনি, অদুগা কাইনা মৈচাক্না চাক্লবদা করিগী ইবেমনা হিংই। কাইনবগা ইবেমা হিংই, মাদুদা ইবেমাগী ফীবম অদু মৈতৈ কবিনা হাঙৈনিংঙাই লৈতদুনা খুল্লও ই শদা থারমই—

"চোইনো শনা কোঙ্গুম্বা; বৃকো ভানুগী মামাম লোই,

কাইনা মৈচাকনা চাকপনা খুংকী খুদোপনা খুজি ওইখরে।" (খাইনা মৈতৈনা সরমদাইদ শরুবা মাদবিরেংয়দগী লৌবনা) ঙৈশে অসিদ কবিনা ইবেমাবু সাহিত্যগী উপমিতি কে বা লৈতেংনা সনাগা পান্দম্নরি, মাদুদি চোইনো সন চোঙ্গুম্বা" পদ অসিনি; মহ কাব্যগুনা বৃত্তিনা ফোংদোকপা অর্থনা ইবেমনা কাইনা মৈচাকনা চাক্লবদা হিংবা, অমসু বুংনা ইবেমবু হুংঙুকপা আনিসিগী মরক্তা তাকই। মাদুদ অসিনি—সননা মৈনা চাক্ল ২ গা ফজবা হেনগৎলকই, চাক্ল চক্লগা মযেং তাদে, সনাদা য়ানলিবা খানিজ পদার্থ অদুবু মৈনা চাকথেক্লনা মাংহনখ্রগা সনাগী ফজরকই অদুগা সনাগী চান্নবা সরুক্তি মযেং তাদে। লেংদনা লৈহৌই. অদুগুম্বা সনাবু মৈতৈ কবিগী বাহৈদা চোইনো সনা কৌই। সংস্কৃত ভাষাদা শাতকৌম্ভ—হাঙৈবদি চৎনবীদ ফুদোংলবা সনা অম্মুম্না চৎনৈ। ঙৈশে অসিদা কবিনা উপমিতি অলঙ্কার লেংদুনা চোইনো সনানা উপমাননি, শ্রীরাধানা উপমেয়নি, শ্রীরাধাগী প্রেমনে, সনাগী মশকনে অনগী চাক্ল চাক্লগা ফজবা হেনগৎলকপনা

থাকৌনি । মাহুদি, অসিদি, চারবাগী অহানবা মশকতি যাকনিবা মথং মথং হেনগৎলগা প্রেম, স্নেহ, মান, প্রণয় রাগ অমসুং অনুরাগ অরোইবদা মহাভাব ওই ।

সনাবু মৈনা চাকথেক্লগা মাগী চানবা মশকতা লেপ্লা অদুগুম্বা ইবেমাগী শ্রীকৃষ্ণদা ওইবা রতিনা কাইনা মৈনা চাক্লগা ইবেমাগী মশক চানবা মহাভাবদা লেপই, অদুগুম্বা মহাভাবতা গ্রন্থ অসিদা হায়রকনি প্রেমবিলাস বিবর্ত ওই, অদুগুম্বা অবস্থাদা ইবেমানা শ্রীকৃষ্ণগী অতোপপা অমা খল্লে, "ঐ" হায়বসি নিংংদে; মাহুদা ইবেমা ইবুঙোগী প্রেমসুখ অদুবু মাসুম তৌই হায়দুনা চিন্না হায়দাকপা ওমদে ।

মাহুবু ওইননবগীদমক ইবুংোনা ইবেমাবু হুপ্লেকুনা থাদনা লৈবনি । মরমদি মাহুবু কাইনা মৈচাকুনা থোক-হনদি অমনা থোকহনবা ওমদে । ইবেমানা ইবুঙোগা লোয়ে কাইনবগা হিংবা ওমদবা, অদুবু মুমং চুপ্পা ইবু-ঙোগী পোল্লবতা হোৎনবী ইবেমা । নিংই. ঐনা হিংরবদি ইবুঙোবু ঐনা উহনা ইবুঙোগী পোল্লবা সেবা ওয়রোই; ইবু-ঙোগী পোল্লকা লৈয়রোই হায়বগীদমক্তা মপান থোকখিগ-দুনা থরাইবু ইবেমানা খাম্বা হোৎ-বদা রামনবনা তেংথা-ঙলই—"হানাথ রমণ শ্রেষ্ঠ কাসি কাসি মহাভুজ । দাস্যাভে কৃপনায়া মে সখে দর্শয় সান্নিধ্য ।" – হায়দুনা, ঐবু

মুঙাইহনবা, চান্নাখোইবা, বদাইদা লৈ, অখোইবা পাম্বোম পানবা । তোল্লবী মনাই মুপী ঐগী মরিদা হে মরুপলোই, নংগী লৈফম উহনবীয় । অসি হন্থুনা তেংথারি, মাসিদা সখে=মরুপ লোই, রাহৈ অসিনা ইবেমাগী স্নেহবু "সখ্য স্নেহ "নি হাঙ্গনা খ'নৈ. মাহুদি ইবেমা ইবুঙো অনিগী পুক্নিং, হকচাং অমসু ইন্দ্রিয়না অমত্তা ওইনা পুন্সপ ওইনা তিনস-খিবনা ইবেমানা নংলিবা তৌরবা ঙাংনবা পূম্নমক অহুদা ইবুঙোনা মুঙাইতনা অমত্তা লৈরোই, হাঙ্গনা থাজৈ, অহুনা মরুমপনা মরুপকা থাজনবা ওইরগা- মধুস্নেহ বতী রাধানা মবুঙোবু আদর তৌবা লৈতে অহুনা "সখে=মরুপ হাঙ্গনা লোই । ঐনা মাগী মনাইনি, মরুপনি হাঙ্গনিংদে, মানা ঐগী ইবুঙোনি মরুপনি হাঙ্গনা নিংই ।

সখ্য প্রণয়গী মশক উৎনবাগীদমক রস লীলা—দা শ্রীকৃষ্ণগা লোইনহুনা লেংবী বী শ্রীরাধানা "ঐচৎপা ভমদরে. হঙ্গবব উংখবে, মাহুদ ইবেমানা ইবুঙেবু পেবিয় হাঙ্গবাবু সখ্য প্রণয়বতী ও বা ইবেমানা আদর তৌদে, মাহু সখ্য প্রণয়গা খুদমনি; মাহুগী ফজবাবু ঐখোইনা উৎনিংহুনা থরদং শাংদোকনা হঙ্করে । মৈত্র প্রণয়গীদি ভাব শাস্ত্র হৈবাসিংনা হাঙ্গ, বিনয়গা লোইনবা থাজবা ওই, মাহুদি চন্দ্রাবলীনা লিংবীনা তৌই, থুদমাদ শ্রীকৃষ্ণনা রাসগী অন্তর্ধানদগী লেংলকপা উরগা কনাগুম্বী গোপী অমনা শ্রীকৃষ্ণগী

মাকা চংলক্লুমা শ্রীকৃষ্ণগী থুং থম্বাল অনিবু মহাক্কী থুং অনিনা খুজোক সারহুনা হয়াওনা দৌই,—অম্বমা শ্রীভগবত না হাঙৈবা অহু ঘৃত স্নেহবতী চন্দ্রাবলীগী প্রেম সেবানি, মাহুদা শ্রীকৃষ্ণবু অন্তর্দ্ধান ওইরুবদগী উনরগা আদর তৌনা প্রেম সেবা তৌরিবা অহু মৈত্র প্রনয়গী সেবানি।

অথ রাগঃ। চন্দ্রাবল্যাদৌ নীলরাগঃ স্বপন্ন ভাবাবরণঃ। তত্রৈব শ্যামরা গোহপী প্রায়ো ভদ্রাদৌ চিরসাধ্য রূপঃ। শ্রীরাধা দৌতু মঞ্জিষ্ঠারাগোহনন্যাপেক্ষো ভাবাবরণ শূণ্যঃ তথৈব শ্যামলাদৌ কুসুম্ভরাগঃ সুখসাধ্যত্বাৎ কিঞ্চিদন্যা পেক্ষঃ। পাত্রস্যাৎগুণ্যাৎ স্থিতিঃ।

হুজিঙ্কি রাগবু হাঙৈরি। চন্দ্রাবলীনাচিংবদা লৈবারাগবু নীলী রাগ কৌই, মাহুদি মাঙোন্দা পকপা ভাবনা কুপসিল্লি। ভদ্রানাচিংবদা লৈবা রাগবু শ্যামরাগ কৌই, মুহাক্কি কুইনা হোৎনহুনা থোকহনবনি।

শ্যামারাগদি কুইনা হোৎনাহুনা থোকহনবনি, অম্বমনা প্রথকারনা হাঙৈ, মাহুগী ভাবতৌ, অসিনি—শ্যামবর্ণদি মাবু সংবদা কুইনা হোৎনাহুনা সংই, মহুদা নীলদগী ওনথোকপা থরা হেল্লি, হাঙৈবনি। আকরদা শ্রীরূপ পাদনা হাঙৈ

ভীরুঃভৌষধি সেকাদি রাদ্যাৎ কিঞ্চিৎ প্রকাশ ভাক্।
যশ্চিরৈব সাধ্যঃ স্যাৎ স শ্যামরাগ উচ্যতে। অর্থাৎ

কিবগী মতৌ সংনবা হিদাকপু শেম্বনা হৌৎ, নীলীরাগদগী

থমদং হেন্না ওানথোকই, মহাক্তি, মূর্ছা লোংলে, মাদুম শ্যামরাগ কৌই।

মাসিগী ভাবার্থদি শ্যামবর্ণ হাঙ্গৈবদি, নীলদগী থন্না ঙাও থোকপা শংবান্নবা কৌই, মহাক্তি নীলদগীম্মানা থন্না ওানথোকই. মচু অসি থোক্লবা সঙবদি মচু অহু থোকহনবা হিদাক উরীওুম্বা অহুবু অহানবদা শেমগনি, মাহু শেম্বাবু ঔষাধসেক—পুটভাবন অম্নমনা সংজ্ঞিত্তা কৌই, মাসুম ভৌহুনা রঙীনা রাগ য়োরক্রবদা রাগ অহুবু মচুদা পান্দুনা তাকই, মাহুদা নীল মচুগা মান্নবা রাগবু নীলীরাগ কৌই, হাঙ্গৈহুনা তাকথরে, ভদ্রানা চিংবা গোপীসিংদা লৈবা রাগবু শ্যামারাগা কৌই। মাহুদি—নীলবর্ণবু থোকনবা হোৎনবদগী শ্যামবর্ণ ওইনবা সংবদা সংকরিঙৈদা হান্ননা শেম্বা হোৎনবদা মতম চংবা নীলবর্ণবুদি শ্যামবর্ণনা হেল্লি, মাহুগুম্বা নীলীরাগদগী শ্যামা রাগনা মতম চংবাসু হেল্লি, অম্নমনা হাঙ্গৈবনি মাহুদা অসি মাপা মুম্না থংগদবনি মাহুদি—মচুগী মরক্তা শ্যামবর্ণ রভিদানা রূপীগী কিবা. অদ্নি অসি পানবিবদ্নি। মাহুদি, অসিনি মুপাদীদি মুমিং চুপপা কিবা হাঙ্গৈকাসি পোকমিম্নরুকপা মহোৗশানি, অতুগুম্বা অকিবা অহুনা প্রনয়দগী করম্না থোক্লকপগে? মাহুদি—মধু স্নেহগী থরগা মান্নবা ঘৃত স্নেহ ওইবী মুপীগী কুমারীদগী কিশোরী ওইবগী সমর মতম[illegible] থোক্লকপদা ইশ্নইগা মাদম[illegible]

মঙ্গিবঠারাগ কৌই, মাহুদি অতোপপাবু এংদে, ভাবনা কুপ সিনদে। শ্যামলানাচিংবীদা লৈবা রাগবু খুম্নম্তারাগ কৌই, মাহুদি রাদনা ওইহনবনি. অতুমা খজিক্তং অতোপপাবু এংই। হাঙ্গৈরিবা অসিদি, লৈরুবা মফমগী গুননা মশক মায়দে অমসু খেন্নৈ।

সন্দোকপা——রাগ হাঙ্গৈবাসিদি প্রণয়না হেনগৎলগা ওইবানি। রাগ লৈরবদি অরাবাবু মুংঙাইবা ওইনা নিংই। মাহুদি কালেনগী মুংশা মৈ থোক্লবদা চীঙ্‌দা মতোনতুম্না মুঙ, মৈ ওন্দুনা সাবা মথক্তা অমসু উ,রীগী থাংসাবা মতোন অতুম্না থোরবা মথক্তা শ্রীরাধানা নেত্তুনা শ্রীকৃষ্ণবু এংবদা ইবেমানা থরো থম্বালনা থারবা ফমুঙ্‌দা লৈব'গুম্না মুঙাই মাহু ইবেমাদা লৈবা রাগননি। অসুম্না অতৈদাসু থংনগান।

রাগ হাঙ্গৈবাগী ময়েক্কী অর্থদি চুবা হাঙ্গৈবনি, মাহুদি সংস্কৃত ভাষাগী রন্‌জ্‌ ধাতুবু মৈতৈরোনগী ধাতুদা "জ্‌ ব্‌চু হাঙ্গৈনা উচ্চারণ তৌই। অহুনা রাগ হাঙ্গৈবাগী মৈ-তৈরোনদা চপ চাবা অর্থদি চুবা হাঙ্গৈ চুবাদি মখল অনি থোকই, মাহুদি মুনা চুবা, অমসু ঙাংনা চুবা অনি থোকই। মুনা চুবদাসু অনি থোকই, মাহুদি নীলী অমসু 'শ্যামা অনিম্নিনি, মাহুদা নীল কৌবা উগী মচুম্না শঙবাগুম্না কো-রুবা মচুবু নীলী রাগা কৌই, মাহুদি চন্দ্রাবলনা চিংবদা" ওইবা রাগবু নীলী রাগ কৌই, মরমদি চন্দ্রাবলীগী রাগদি

কোক্তে চেৎলি, অমসু মহাক্কী ভাবনা সঞ্চারী ভাবসু কুপ-সিনলি; অহুনা নীংগীরাগনি অগুম্বা থংনৈ; ম তুগী খুদমদি —কনাগুম্বী সখী অমনা শ্রীকৃষ্ণদা হাঙ্গি, হেকৃষ্ণ। চন্দ্রাব-লীগী পুকচেনদি ওনথে কনা লুই অমসু নিংথিজ্জে নহাক্কনা চন্দ্রাবলীবু মীনমবাবু মহাকনা অফবতা ওইনা লৌই, অসিগুম্বা লীচৎ অসিনা মহাক্কী ব্যবহার লীচৎনি, মাহুদা সখীসিংনা চন্দ্রাবলীবু থম্লি. চন্দ্রাবলী সবু শ্রীকৃষ্ণদ করি অমত্তা দোষসু এংদবা অফবসু এ-দরাগ অসুম্বা সখিসিংনা চিংনৈ।

সখীসিংগী ৱাহৈ অসিদা শ্রীকৃষ্ণনা মীনম্বা মতমদাসু চন্দ্রাবলীগী প্রণয় অহুনা হোংদোক্কবা, হোংলকপা য়াবাসু উদবা অহু, কুমসংহুনা মুবগুম্বা চেৎলি, অহু। চন্দ্রাবলীগী ৱাগবু নীগী ৱাগ কৌই, চন্দ্রাবলীনা শ্রীকৃষ্ণগী মীনম্ববু এংদবাগুম্বা নৈববু সখীসিংনা চিংনবা—চন্দ্রাবলীসিবু শ্রীকৃ-ষ্ণদা অমসু অতোপপা মুপীদাসু থম্বনবা অমসু সাওবা তৌদবরা হাঙ্গীনাচিংনবা হাঙ্গীবদি চান্নবা মতৌত্রবরা হাঙ্গীবাসু তৌগুম উবা, তৌবরাগ হাঙ্গীবাসু তৌদবা মানগা অহুনা চন্দ্রাবলীবু ঘৃত নেহুবতৌনি হাঙ্গীবা থংনৈ, অহুনা মুত্তাইত্তবা পুক্লিংবু মহাক্কী মহোশাগী ভাবনা কুপশিনবা, অহুগী চান্নবা পুমকুপসু কুপত্তবা থজিক থজিক ফোংবা অসি নীদী ৱাগবতৌনি।

মধুস্নেহ থরদং য়াওবা ঘৃতস্নেহ ওইবীদি ঘৃতস্নেহ [illegible] হৌনবি; অতিংবা (দাক্ষিন্য) ভার ওইহনা কিবদা জাং থরদং য়াওই (অবহিথ'গা সোইনৈ) অহুগুম্বা মকী অহুদি মীপাইবগী জাং ওইনা তৌই। মাহু ওইরবদি নায়িকা অহুনা শ্রীকৃষ্ণগী মাংদদি কিক্ষম নত্তবদসু য়মনা কিবা ওইনা থোকই; মাহুম্না কিবদা মনুংদা ভাব অমা য়াও ৎ কি। অহুগা গোয়েন লাইপক থিরবা মতমদদি মাহুম্না কিবা অহু ওইদে; হায়বা ফোংদোকলকই। [illegible]য়, কনাগুম্বা সখী অমনা ভদ্রাদা হাঈ।

"মমাংঙৈদদি নংনা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা লৈরবনি ফজবা কুঞ্জদা থজিক্তং লুমসিনবনা মম্বদা মীপাইদুনা। মুংথিন পো-পোপতায় হৈত্তরুনী কুঞ্জ মনুংদা চংদে; হেমানিনী অহুগুম্বী নংনা ওসিদি অমম্বা অহিং নোংয়াইমক্তদা তমাদনা লুম-শিন্দুনা অমোকসু সরুক অনি হেনগৎনা মমলবদা নপন্তনা য়াম্না মুঙাইনা মাবু থিরি।"

অমম্বা অহিংদা চৎপদি মুপী ওইবা কীগনবীগীদি অয়াবাগী মশকনি, মাহুবু মাগীদি মুঙাইবা ওইনা থোকপা অহুনা রাগনি। রাগ অহু নীলীরাগ নত্তে, শ্যামারাগনি মরম দ নীলী রাগদদি থোইনা য়াম্না ফোংদোক্তে সখীসিংনা [illegible]বদীবু চিংননা থল্লি, ভদ্রাগীদ ইফোং ফোংনা রাগ [illegible]না ফোংদোকই. অদুনা ঘৃত মেহনা য়ামই, হায়বা

য়াম্না হেনবা মকি অমা ওই, মাহুদি মধু স্নেহ সংপূর্ণ ওইবা ময়াই কাবন' সংপূর্ণ গর্ব্ব, —খমথেংনা নাপন তৌই অহুনা মধু স্নেহনা শ্রীকৃষ্ণবু ঐপাঁনি হাঙৈনা নিংই খংনৈ। অহুগা মহৌশাগী িংবা অহুদি কুইনা হায়না ভজ্রা না তৌরক্রবনি, অহুগুম্বা অকিবা অহু কুইনা শেমগক্রবানি অমস্তু অকিবা অহু মসুংদদি কীদবাবু বক্র (বাম্য) ওই-হুনা ম্নংশা থিসিন্নবনি, অহুনা (বাম্য ওইবনা) মধুস্নেহস্তু খরায়াম্নি হাঙৈগা খংনৈ। অহুগা মধুগী শরুক খরগা য়াম্নবা ঘৃতস্নেহবতীনি হাঙৈনা ভজ্রাবু খংনৈ।

দৃষ্টান্তদা ঘৌন্য ফমজিনবনা খরত্য ওইনা খোহিনা লাংখো-কহনবা ওমদবা অহুগুম্না শ্যামারাগনা কুইনা ৩ংই। অসম্বা রাদি অসিনি "অর্য্যববু মুগুাইবা ওইনা নিংগা রাগ কৌই. রাগ অহুনা মপান্দা খজিক্তং ফোংদোক্লগা নীলীরাগ, য়াম্না ফোংদোক্লগা শ্যামারাগ কৌই।" অসুম্না তেনসিন্না উজ্-জ্বলনীলমণি কিরণনা তাকই।

ওাংনা চুবাগু মাস্নম্না অনি থোকই, মাহুদি কুসুম্ভ রাগ, অমস্তু মঞ্জিষ্ঠরাগা অসিনি। কুসুম্ভ কৌবা লৈগী মচুগুম্না রত্তিনা ওইবা রাগবু কুসুম্ভরাগ কৌই। মাহুদি কুসুমলৈ কৌবা লৈনা ফীদা সংবদি ফীদা য়াম্না থুনা চই অমস্তু চায়বা অচেংপা মচু গুম্না ফজে, মচু অহু থুনা সিদৈ চেংক্তে—[illegible] মতি অহুনা [illegible] থুনা চরা [illegible] অ-

তোপপা রাগনী নিংখিবা অহুগুমনা উহল্লবদি অহুগবা রজিলা; ওইবা রাগবু কুশুম্ভরাগ কৌই অহুনা. আকরদা শ্রীরূপপা দনা হায় . কুশুম্ভরাগ : সজ্জেয়ো যশ্চিত্তে সজ্জতি দ্রুতং ।

অন্যরাগচ্ছবিব্যঞ্জী শোভতেচযথোচিতং ॥ অর্থাৎ কুসুম্ভরাগনু মাহুনি হাঙৈনা খংনগনি ; মাহুদি পূকনিংদা থুনা চংবা পকপা, অহুনা অতোপপা রাগ হাঙৈবদি মঞ্জিষ্ঠরাগ গী ফজবা অহু ওইবা, লৈফমা ফরগা চান্নরা ফজবা রাগবু কুসুম্ভ রাগ কৌই।

কনাগুম্বী সখী অমনা শ্রীকৃষ্ণদা হাঙৈ—হেকৃষ্ণ ! ঐগী প্রিয় সখীনা নহাকী মিংবু তাবা :হৌবাদগীনা মহাকী পুক্লিংনা নতোন্দা নপথি, অহুনা মহাকনা সিন উরগা নহাকী পাম্বোমগা মান্নবনা মুত্তাইবনা তাওই । হৌজিকতি নংবু চান্নবা উরবা মতম'সিদা প্রিয় সখীনা মতা অমা তৌখরে, মাহুবু ঐখোইনা অকনবা রাগনি, বিরাগনি হাঙৈবানু খংদরে । মাহে অসিগী অর্থ—শ্রীকৃষ্ণবু মিং তাবদগী য়ামা থুনা শ্রীকৃষ্ণদা পুক্লিংনা নপথিবা, অহুনা আকবা লীন মানা চীক্লগা রাবাবু মুত্তাইবা ওইনা থোকপা অহুনা রাগ ওইরে, থুনা থোকখিবনা কুসুম্ভ রাগনি; মহাক্না অকবা পাত্রদা লৈরবনা শ্রীকৃষ্ণবু উরগা ওইবা পুকনিংনা তানিংবাবু উরগা ওইবা মওং ঔৎসুক্যনা রাজসূর্য পাথোরক্লগা মপানগী মীৎ, মাকোং, খোং, মুখিবনা ফকই, মাকোংনা—খাদে, মীৎনা উদে, রাজসূর

তৌহনা হকচাং অপুম্বা জ্ঞান মাণ্ডি মাহু ইবেমা সিনা শ্রীকৃষ্ণবু উরগা তৌই, মাহু নৈফম ফরঙ্গা অতোপপা মঞ্জিষ্ঠ রাগগুম্না ফজবর্ন, অহুনা সখীনা শ্রীকৃষ্ণদা থংহল্লি, মহাকপু অভিসার তৌহন্দ্রবদি ঐখোইগী প্রিয়সখী—অসি প্রান খারগনি হায়বা থংহনবনি। অসিগুম্বী ইবেমাদা লৈবা রাগ অসি কুসুম্ভ রাগনি। অহুদি ইবেমা অসি শ্যাম-লানি, শ্রীরাধা নত্তে, অম্বমন্বা থংনপনি। মরমদি শ্রীরাধা দি মধুস্নেহনি, শ্যামলাদি মধু স্নেহদি ওইরগা ঘৃত স্নেহ থজিন্তুং য়ানলি, অহুনা অয়ম্বা মধু স্নেহগী হৌনবী থুনা শ্রীকৃষ্ণদা রাগ পোকই, অমসু য়াম্না মঞ্জিষ্ঠাগুম্না ফজে, ঘৃত স্নেহ থরা য়াওবনা থুনা হনথে; অহুনা মহাকপু কুসুম্ভ রাগ কৌই। কুসুম লৈনা (মৈতৈরোন্দা লৈ,) সংবনা থুনা সংবা অমসু চান্নবা ফজবা, অদুগা চেৎতি চেৎত্না অহুগুম্বনি অমসু লৈসংবা অহুসু য়ামনা ফজহনগে অমসু কুইনা মচু অহুবু চেৎনা—থাংহনগে হায়রবাদি, ফী অহুদা হান্না য়ামন ম্বলোকপা অহুগা হান্নবা অয়াকপা অফকপা মহাও হান্নবা চহনলগা সংলবাদি লৈ মচু অহু চেৎপা অহুগুম্না শ্রীকৃষ্ণগী প্রিয়াসিংদা কনা ২ গুম্বী সিংদদি কুসুম্ভ রাগনা চেৎনা লৈ. মাহুদদি মঞ্জিষ্ঠ রাগগা মান্নে, অহুনাদি শ্রীকৃষ্ণগী ইবেমা সিংদাদি রাগদি হনথবা মোৎথবা হৌনদে, অহুমক ফজে চেৎলি। মঞ্জিষ্ঠ রাগ কৌবদি—শ্রীরূপাদনা আকরদা হায়-

অহার্য্যো'হনন্যসাপেক্ষো সংকান্ত্যা বর্দ্ধতে সদা।
তবেন্মাঞ্জিষ্ঠ রাগো হসৌ রাধামাধবয়োর্যথা॥ অর্থাৎ

মাংহনবা য়াদবা; মহৌশাগী ওইবা; ইতৎ তত্তনা মতম পুমনমক্তা হেনগৎপা রাগবু মাঞ্জিষ্ঠ রাগ কৌই; মাহুদি শ্রীরাধা কৃষ্ণতদা ওইবনি; তাৎপর্য্যদ মঞ্জিষ্ঠ কৌবা উরী মথল অমা লৈ; মাহুনা সংবা মচুদ কোক্তে; মহৌশাগী মাগী মচুনি হাঙবাদ হিদাক অতোপপা য়ান্দবাবুস্থ মাবু অমোক শেম্নদোক্তবস্থ—

অহুমক মথস্তনা মচু ওই, অমস্তু মানা সংবা মচুদি কুইর২গা ফজবা হেনগৎলকই, অহুগুম্বা অঙাংবা মচু অংছবু মাঞ্জিষ্ঠরাগ (অঙাংবা) কৌই, মাহুগুম্না রতিনা ওইবা রাগবু মাঞ্জিষ্ঠরাগ কৌই।

খুদম—পৌর্ণিমাসীনা নান্দীমুখীদা ভাকই;—

"শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনিগী মহৈ মহৈ সুংসিনবাগী কুমৈ অসিভ মরম অসিগীনি হাঙবা লৈতনা য়াম্না থুনা পোকই, কুমৈ অসিবু কারগুম্বা বাএন অমনা থিংবা ওম্বদি থম্নহুনা থজিক্তস্থ লৈহনবা নোমহনবা ওমদে. লাইগুরুবু কিবনা চিংবা অরাবা থিবকনা মরম ওইহুনা রস থোকহনলি লাইগুরুবু কিবনাচিংবাসিং অহুনাহুম রাধাকৃষ্ণ অনিগী য়ৌ. ননবা চম্বেন ফহনলি, অঙকপা, থমথেংবা সুঙাইবাগী থমথেংবা ইনৌ নৌনা থোয়রুবা লমবেন ওইহনলি, অহুনা

শ্রীরাধা, মায়কক্কী — প্রেম অসিদি মাসিগা মানৈ হঙ্গনা পাঙ্খবানিঙাই লৈতে।"

মাসিদা মরম লৈতনা য়াম্না থুনা খোকপনা মধুস্নেহগীনি; গুরুজনগী কিবনাচিংবা অরাবনা থুগাইবা ওমদবানা মঞ্জিষ্ঠরাগগী চেংপানি, গুরুজনবু কিবনাচিংবা অরাবাসিংনা মাখোই অনিগী মংনবা লম্বেন মুথাইহনবনা রাগগী চয়গী মশক অরাবনা মুতোইবা ওনবনি, অতুগা প্রেমনা ইতং তংতনা হেনগৎলক-পানা মাঞ্জিষ্ঠরাগগী কুইরগা ফজবা হেনগৎলকপনি।

অথানুরাগঃ। শ্রীকৃষ্ণঃ সদানুভূয়তে অথচ নবনবাপূর্ব্ব ইব প্রতিভাতি সঃ অনুরাগঃ। তত্রাপ্রাণিন্যপি জন্মলালসা প্রেম বৈচিত্র্যং বিয়োগেঽপি স্ফূর্ত্তিরিত্যাতি ক্রিয়াঃ।

হৌজিক্কি অনুরাগ হাঙ্গৈরি। শ্রীকৃষ্ণবু ইতং তত্তনা থংবাবু হৌজিক্তা থংবগুম্না হান্নাদি থংখিদবাগুম্না ইনৌনৌনা খোকপা, মাহুম্না ইতং তংতনা হেনগৎলকপাবু অনুরাগ কৌই। অনুরাগগী মতমদদি থবাই পান্দবা অতোনবা জীবদসু পোককে হাঙ্গনা লালসা, তৌরা প্রেম বৈচিত্র্যং বিচ্ছেদ ওইবদাসু শ্রীকৃষ্ণনা থমোইদা ফাঙ্গিরকপা অসিনা চিংবা ক্রিয়া ওই।

অথ মহাভাবঃ। সত্রব রূঢ়ঃ অধিরূঢ়ইতি দ্বিবিধঃ। শ্রীকৃষ্ণস্য সুখে পীড়াশঙ্কয়া নিমিষস্যাপি অসহিষ্ণুত্বাদিকং যস্য সঃ রূঢ় মহাভাবঃ। কোটিব্রহ্মাণ্ডগতং সমস্ত সুখং যস্য

সুখস্য—লেসোহপিন ভবতি, সমস্তবৃশ্চিকদংশনকৃতদুঃখমপি যস্য দুঃখস্য লেশঃ ন ভবতি, এবম্ভুতে শ্রীকৃষ্ণসংযোগ বিযোগয়োঃ সুখদুঃখে যতঃ ভবতি, সোহধিরূঢ়স্তস্যৈব মোদনো মাদনঃ ইতি দ্বৌ রূপৌ ভবতঃ যস্য উদয়ে কৃষ্ণস্য তৎ প্রেয়সীনাং মহাক্ষোভঃ চমৎকারো ভবেৎ। সুদীপ্ত সাত্বিক বিকাশ দর্শনাৎ সঃ মোদনঃ। সতু রাধিকা যুথ এব ভবতি নান্যত্র মাদনো হয়ং প্রবিশ্লেষদশায়াং মাদনো ভবতি । যস্য উদয়ে সতিপট্টমহিষীগনালিঙ্গিতস্যাপি শ্রীকৃষ্ণস্য মূর্চ্ছা ভবতি রাধাবিরহতাপেনব্রহ্মাণ্ডক্ষোভকারিত্বংতিরশ্চামপি রোদনঞ্চ। প্রায়ঃ বৃন্দাবনেশ্বর্য্যাং মাদনঃ অয়ং উদঞ্চতি মাদনস্য এব বৃত্তিভেদঃ দিব্যোন্মাদঃ। যত্র উদ্‌ঘূর্ণ চিত্র জল্পাদয়ঃ প্রেমময়্যঃ অবস্থাঃ সন্তি । যত্র অনন্তভাবোদ্‌গমঃ বনমালায়ামপি ঈর্ষা পুলিন্দেস্বপি শ্লাঘা ত ম ল স্পর্শিন্যা মালত্যা ভাগ্য-বর্ণনঞ্চ এব মাদনংসর্ব্বশ্রেষ্ঠঃ শ্রীরাধায়ামেব নান্যত্র। ১৪।

হৃজিক্তি মহাভাবপু হাঙৈরি (মহাভাবসু উজ্জ্বলনীল মানিনা "ভাব"তা মহাই, মখা যাওদে)। মহাভাব হাঙৈবাসি অনুরাগনা হেনগৎলগা ওইবনি । মহাক্তি রূঢ় অমসু অধি রূঢ় অসুমনা অনি থোকই। মাহাক্ত শ্রীকৃষ্ণনা মুণ্ডাইরি-বাবু য়াররিনি হাঙৈনা খল্লুহুনা মাংনা কুপপা মরুমংসু থাংবা ওমদাবাবু রূঢ় মহাভাব ক্লোই। মখল অমনাবু

ব্রহ্মাণ্ড কোটি কোটিদা ওইরবা মুভাইবা পুমনমকনা পুলপ তিল্লগা ওইরা মুভাইবা শ্রীরাধাগা লৈমন্নরগা মুভাই- বগী মচেৎ অমাবু ফংবা ঙমদবা অতুগুম্বা মুভাইবাবু ফংবা অমসু বৃশ্চিকনা চীকপা—মহু পানবা লীনন্না চীকপনা চীংবানা ওইরকপা অন্নাবা কোটি কোটিনা কাইনরবা মতমদা ওঈবা অরাবাগী মচেৎ অমতং য়োদবা অসীগুম্বা মুভাইবা অরাবনা শ্রীকৃষ্ণগা কাইনরবা মতমদা অমসু শ্রীকৃষ্ণগা লৈমন্নরগা ওইবা অতুগুম্বা মহাভাবপু অধিরূঢ় মহাভাব কোই। অধিরূঢ় মহাভাবকী মোদন কৌবা অধিরূঢ় মহা- ভাবকী মশক্তি, মানা উদয় ওইরবা মতমদদি শ্রীকৃষ্ণসু শ্রীকৃষ্ণগী প্রেয়সীসংসু য়ামনা ঙকখ্রবা লাংতক্লবা ওই, মাতুদা স্তম্ভ—স্বেদনা চিংবা য়ম্বীগুম্না চপলেপপা হুমাং শৌবা তু চুংবা কুচু ওনবা অসিনা চিংবা সাত্বিক বিকার মখল নিপাম্না য়ামনা ইঙান ভাম্না ফাউই, মাতুবু মোদন অধিরূঢ় মহাভাবকী মশকনি হাঈনা থংনগনি। মোদন অস শ্রীমতী রাধাগী কাংবুতদা ওই, অতৈদা ওইদে, অমসু মোদন অসিনা শ্রীকৃষ্ণগা কাইনবা মতমদা ওইরগা মাদন কোই। মাদন কৌবা মহাভাবনা ওইরক্লবদি শ্রীকৃষ্ণনা ইবুঙো মাবু পুরপী ইসেমাসিংনা কোম্লুনা থম্ন তৈমক্তদাসু মূর্চ্ছা—য়ানথৈ মতুদি—শ্রীরাধাগা কাইনবগী মৈচাকনা ন। মাদন কৌবা অধিরূঢ় মহাভাব হাঈবাসি শ্রীরাধাদানা

তোইনা ওই । শ্রীকৃষ্ণদান। তোইনা ওইদে, অতুগা শ্রীরাধা কৃষ্ণতদা ওই. অতৈ'দি ফনাগুম্বা অমত্তদা ইওই ওইদে। মাদননা থোরক্লবা মতমদদি তাংবংপানবা অপুম্বা - লাংতকনৈ য়াম্না ওনথোকপা অঙকপগী মশক ওই। শা উচেক তিন ফাউবা কপই। মাদনগী বৃত্তিমথলদি—দিব্যোন্মাদ কোই।

দিব্যোন্মাদ—ওইরবদা কোক ঙাউবা, চিত্রজল্প ঙাংবা, আসনাচিংবা প্রেমগী অবস্থা ময়াম লৈ। মাতুদা লোইবা মাইত্রবা ভাব ময়াম থোরকই। বনমালা মকপুম্ ঈর্ষা থম্বনাল, পুলিন্দজাতি হাওমকপু্ থাগৎলি, মালতী লৈনা তমালদা এৎপবু লাইপক ফৈ হাঙ্গৈ।

অসিগুম্বা মাদন অ'সনা পুন্নমক্তগী ইহেন হেনলি। মাসিদি স্বপনগী শ্রীরাধাতদা ওই, অতৈ অতোপ্পদা ওইদে।

অথৈষামাশ্রয়নির্ণয়ঃ। কুব্জায়াং সাধারণীরতিঃ, প্রেম পর্যন্তা। পট্টমহিষীষু সমঞ্জসা রতিঃ অনুরাগ পর্যন্তা। তত্র সত্যভামা শ্রীরাধিকানুসারিণী লক্ষণাচ। রুক্মিণীতু চন্দ্রাবলী ভাবানু সারিণী অন্যাশ্চ। ব্রজস্থ প্রিয়নর্ম্ম সখানাংচ। অনুরাগ পর্যন্তা। ব্রজসুন্দরীনাংতু সমর্থা রতি মহাভাব পর্যন্তা সুবলাদীনাঞ্চ। তত্রাপি রাধিকাযূথ এব নান্যত্র তত্রাপিমাদনঃ শ্রীরাধায়ামেব। ললিতা বিশাখয়োরপি। ১৫

হৌজিক্তি মাথোই অসিগী তুংফম লৈফম (আশ্রয়) সিংগী বিচার হাঙ্গৈরি। কুব্জাদা লৈবা রতিবু সাধরণা

কৌই, মহাকনা প্রেম কাওবা য়ৌই। দ্বারকাগী মহারাণী সিংগী রতিবু সমঞ্জসা কৌই; মাহুনা অনুরাগ কাওবা য়ৌই। মাহুদা সত্যভামানা শ্রীরাধাগী তুংইনদি লক্ষণাসু। রুক্মিণীনা চন্দ্রাবলীগী তুংইনদি, অতৈ লীসিঙ তরাতরুক চামা্রিপান মকসু মাহুগা মানৈ। ব্রজ দা লৈবা শ্রীকৃষ্ণগী প্রিয়নর্ম্মসখা অপুম্বাসু মাহু য়ৌই। হাঙৈবদি মধুমঙ্গলনাচিংবা সখা সিংগী রতিসু অনুরাগ কাওবা য়ৌই। ব্রজ গোপীসিংগী রতিদি সমর্থা রতিনি মহাভাব কাওবা য়ৌই। সখাসিংগী মরক্তগী সুবল সখানাচিংবাসু রতি সমর্থারতি লৈ, অতুগা মহাভব য়ৌই।

তত্র বিপ্রলম্ভঃ চতুর্বিধঃ। পূর্ব্বরাগঃ মানঃ প্রেমবৈচিত্ত্যং প্রবাসশ্চ। অঙ্গসঙ্গাৎ পূর্ব্বং যা উৎকণ্ঠাময়ী রতিঃ সঃ পূর্ব্বরাগঃ।

হৃজিক্তি স্থায়িভাবপু হাঙৈরি। স্থায়িভাব অদু বিপ্রলম্ভ অমসু সম্ভোগ অসুম্না অনি থোকই। মাহুদা বিপ্রলম্ভ অদু পূর্ব্বরাগ, মান, প্রেমবৈচিত্ত্য অমসু প্রবাস অসুম্না মখল মরি ওই। শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীঅঙ্গগা শোকনদরি নৈদা ওইবা লালসাগী মশক ওইবা রতিবু পূর্ব্বরাগ কৌই।

তত্রদশদশাঃ। "লালসোদ্বেগজাগর্য্য তানবংজড়িমাত্রতু।
বৈয়াগ্র্যং ব্যাধিরুন্মাদঃ মোহঃ মৃত্যুর্দশা দশ॥"

পূর্ব্বরাগদা দশা (কীবম) তরা ও; মাহু লালসা, উদ্বেগ (কংদবগীদমক পুকনিংদা অইনবা থুক্কংপা) জাগরণ (তুম্বায়াদবা)

ভানব (থ্রাংকংসিনবা) জড়িমা (ফকচানবা) ব্যগ্রতা (হৈরাং-লাংবা) ব্যাধি (হৈতা তাদবা) উন্মাদ (ইঙাও ঙাওবা) মোহ (ঙকপা) মৃত্যু (থ্বান মাংবা) তরা অসি ওই

মানঃ দ্বিবিধঃ। সহেতুর্নির্হেতুশ্চ। তত্রনির্হেতুকঃ স্বয়মেবশাম্যতি। সহেতুকস্য মানস্য শান্তিঃ সামভেদক্রিয়াদাননত্যুপেক্ষারসান্তরৈঃ। প্রিয়বাক্যংসাম। নিজৈশ্বর্য্যং শ্রাবয়িত্বা তস্যা অযোগ্যত্বজ্ঞাপনং ভেদঃ। বয়স্যাদিদ্বারা ভয়প্রদর্শনঞ্চ ক্রিয়াবস্ত্রমাল্যাদীনাং প্রদানাদানং। নতির্নম স্কারঃ। উপেক্ষা ঔদাসিন্যপ্রকটনং। রসান্তরং ভয়কষ্টাদি প্রদানাদি প্রস্তাবঃ। মানশান্তিচিহ্নানি অশ্রুস্মিতাদয়ঃ।

মানদি মখল অনি থোকই, নির্হেতু (মরম লৈতনা ওইবা) অমসু সহেতু (মরম লৈগা ওইবা) অনিসিনি। মরমলৈতনা ওৌবা মানদি মথন্তা কোকচৈ। মরম লৈদুনা ওৌবা মানদি সাম, ভেদ, ক্রিয়া, দান নতি, উপেক্ষা, অমসু রসান্তর মখল তরেৎ অসিনা শান্তি (ফহনবা) তৌই। সাম কৌবদি প্রিয়বাক্য (অথেম্বা ৱাহৈবু কৌই। ভেদ কৌবদি শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য (মতিক অচৌবাবু) তাহনদুনা মান তৌরিবী অদুগী মতিক চাদবাবু তাহনবাবু ভেদ কৌই। মরূপ লেংমাম্নবাবু অকিবা উৎহনবাবু ক্রিয়া কৌই। ফি; লৈপ-রেনাচিংবা পোং পীবাবু দান কৌই খুরুম্বাবু নতি কৌই। থৌওইদবা ভুমিন্না লৈথোকপাবু ঔদাসিন্য প্রকটন কৌই।

অকিবা অমসু অন্নাবা উহনবনাচিংবাবু থোকহনবাবু মসাক্তম কৌই। মান তৌবীনা মান কোকলে হাঙ্গৈনা থংনবা খুদমচি মীৎভা পী ভারকপা, মোমোন নোকপা অসিনাচিংবানি।

অথ প্রেম বৈচিত্ত্যং। কৃষ্ণ নিকটেঽপি অনুরাগাধিক্যাদ্ বিরহো যত্র ভবতি তদ্বেত্ত্বং।

হজিক প্রেমবৈচিত্ত্যবু হাঙ্গৈরি। শ্রীকৃষ্ণগী মপাক্তা লৈরিঙৈ মক্তদাসু অনুরাগগী য়াম্মনথিবনা কাইনবা ওইনা লিংববু প্রেমবৈচিত্ত্য কৌই।

অথ প্রবাসঃ। সদ্বিধঃ। কিঞ্চিদ্দূরনিষ্ঠঃ, সুদূরনিষ্ঠশ্চ। নিত্যমেব গোচারণায়-ারাধাৎ কিঞ্চিদ্দূরে, মথুরাংগতে সতি সুদূরে। তত্র দশদশা প্রবলা ভবন্তি।

হজিক প্রবাসবু হাঙ্গৈরি। থক্তিক্তং লাপপা অমসু য়াম্না লাপপা অসুম্না প্রবাস অনি থোকই। সুডিগী শ্রীকৃষ্ণনা ষনশেনবা লেংবদা থজিক্তং লাপপা প্রবাস ওই শ্রীকৃষ্ণনা মথুরাদা লেংথ্রবদা য়াম্না লাপপা প্রবাস ওই। য়াম্না লাপনা লেংথ্রবদা মথুরাদা লেংথ্রবদা দশদশা মথনভরানা য়াম্না কম্না ওই।

অথ সম্ভোগঃ সচতুর্বিধঃ পূর্বরাগান্তে চাধবনংক্তা লীনাং অমধে সংক্ষিপ্তঃ মানান্তে অহূম্না মাৎসর্য্যাদিরোহক্ত সম্মিশ্রিতঃ সঙ্কীর্ণঃ। কিঞ্চিদ্দূরপ্রবাসান্তে সম্পূর্ণঃ। পুষ্টঃ সুদূর প্রবাসান্তে সমৃদ্ধিমান্ঃ অভিষ্টঃ অথসম্ভোগপ্রপঞ্চং। দর্শন স্পর্শন কথন বর্ত্মবোধ বনবিহার জলকেলি বংশীচৌর্য্য নৌকাখেলা দান লীলা মধুপানাদয়ঃ অনন্তা এব। ১৩৭

হুজিক সম্ভোগবু হাঈরি; সম্ভোগ মথল মরিনি মাহুদি— পূর্ব্বরাগ লোইরবদা অধর; নখক্ষতনচিংবাগী থরদং—মমজনী ওইবাবু সংক্ষিপ্ত কৌই। মান লোইরবদা অসুয়া (গুনদা দোষ ওইহনবা) মাৎসর্য্য (মুংনাংবা) অসিনাচিংবা সাওবা মানবগা য়াম্নবাবু সঙ্কীর্ণ কৌই। থজিন্দং লাপপা দংফৈদগী হুন্নকপদা সংপূর্ণ ওই, মাহুদি তশেং তশেং-ওই. য়ামনা ল্যাপপা দংফৈদগী লাকপদনা সমৃদ্ধিমান কৌই। মাহুদি — য়ামনা তশেং তশেংনা ওই। হু-জিক্তি সম্ভোগবু সন্দোকপা হাঈরি উনবা, শোক্লবা, য়াওাংবা, লম্বেম থৎপা, বনদা শান্নবা, ইশিংদা শান্নবা, যংশী হুবা. হি সান্নবা, দান লৌনা অমসু মধুপাননচিংবা লোইবা নাইদে মাথোই অহু সম্ভোগ লৌপা ওাকনি।

অনধীত ব্যাকরণশ্চরণপ্রবণোহরের্যো যঃ স্যাৎ।
উজ্জ্বলনীলমণিকিরণস্তদালোকায় ভবতু।


ইতি শ্রীবিশ্বনাথ চক্রবর্ত্তি কৃতোজ্জ্বল নীলমণি কিরণঃ সমাপ্তঃ।

ব্যাকরন তমদবা, হরিগী চরনদা ভক্তি তৌবা মী লেরবদি মাহুদা উজ্জ্বল নীলমণিগী মওন ওইবা কিরণনা চানথোক্লবা ওইসনু শ্রীবিশ্বনাথ চক্র বর্তিপাদনা লেংবা উজ্জ্বল নীলমণি কিরণ কৌবা গ্রন্থ লোইরে।

চক্রবর্তি পাদনা ব্যাকরন তমদনা ভক্তগীদমকতা উজ্জ্বল নীলমণি কিরন কৌবা গ্রন্থ অসি লেংবদা অমুয়া উৎলি। মমদি— শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য মহাপ্রভুনা জীবদা পিনবীবা উন্নত উজ্জ্বল মধুর প্রেম রস অসিদি সাহিত্যদা লৈ।

সাহিত্যবু খংদরবদি প্রেমভক্তিগী মনম ফাওবা তাবা ফংদ[illegible]
অতুগা সাহিত্য বিচার তৌবনা গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়[illegible]
ধর্ম্মনি। সাহিত্য বিচারবু খরদং খংগে হাঙ্গৈরবদি ব্যাকর[illegible]
হৈত্রবদি সাহিত্যদা চংবা ঙমদে, মরমদি সাহিত্যদি শব্দ[illegible]
অর্থনে অনিনা সাহিত্যগী হকচাংনি, হকচাং অতুদা ধ্বনি
হাঙ্গৈবদি ব্যঞ্জনা বৃত্তিনা খংহনবা অর্থনা মুংসাম্বরনি রস[illegible]
আত্মানি, অলঙ্কারনা লেতেংনি, মরম অসিনা ব্যাকরণ হৈত্র
বদি সাহিত্য বিচার তৌবা য়াদে, মরম অসিনা ব্যাকরণ[illegible]
ঙমহৌদবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যমহাপ্রভুগী নিরুপাধি কৃপা[illegible]
সাধুসঙ্গদগী ভক্তি রসবু দ মনম তারবা অতুগুম্বা মী[illegible]
ব্যাকরণবু তগদবসু খংবা ঙমননবা হাঙ্গৈত্তনা ব্যাকরণ[illegible]
কিসি অপুম্বা কোমখোকহন্দুনা ভক্তিরসামৃতসিন্ধুগী বিন্[illegible]
উজ্জ্বলনীলমণিগী কিরণ, অমসু ভাগবতামৃত কনা[illegible]
লেংই; অসুম হাঙ্গৈবা ভাব অসিবু শ্লোক হাঙ্গৈবদি অমুপা[illegible]
য়াহৈনা তাক্লগা গ্রন্থগী অরোইবদা হাপলমই।

একাত্রিবসু চন্দ্রে চ শকে ফল্গুনমাসকে।
প্রভোর্জন্মদিনে সৌরে ব্যাখ্যেয়ং পূর্ণতামিয়াৎ॥
গোপীনাং রসবন্ধেদং তাসাং কৃপাংবিনা ক্বচিৎ॥
ঋষীণাং চাপি দুর্জ্ঞেয়ং কথং ব্যাখ্যামহে বয়ং।
তথাপি মদ্ হৃদি স্থেন তেন সংপ্রেরিতেন চ।
সর্ব্বজ্ঞবদ্ময়া খ্যাতং হরিনা তদ্ বিলোক্যতাং॥
এতেন মমদোষেণ তদ্দাস্যরূপশৃঙ্খলৈঃ॥
মাং তস্য চরণপ্রান্তে নিবধ্নাতু [illegible] ।
[illegible]ময়োষণং প্রাপ্য পশ্যামি রসনির্ঝরং।
[illegible] [illegible] ময়া [illegible] নির্মালোক [illegible]


Jawaharlal Nehru University-Centre of Post-Graduate Studies, Imphal.
LIBRARY